Regd. No. RN 34203/79 New Delhi    Kangleikhol No. [illegible]



# KANGLEIKHOL কঙলৈখোল

9TH YEAR OF PUBLICATION    DECEMBER 1987 POINU 3384

মনাম্নহী লাইনীং, পান্দিয়োল, থোনা কাংলোন, পুন্দিরোন হুন্না, ইনাং
লোইনসিনোনগী অমত্তাইব মলাই পুন্সিরুমগী থাগী চেকোং

* ★ কংলৈখোলগী [illegible]
* ✱ [illegible] করম্ [illegible]
* ● [illegible] করি [illegible]
* ★ [illegible]
* ✱ [illegible]—পুয়া [illegible]

* ✱ মুংসিন্নরুব কাংলোনসিং করম্ হিংগৎহন্নব হোৎনবকপগে ?
* ✱ AIDS লায়নাগী থওদব য়াদবসিং

ইনাং মাওহন্নগে খল্লবরা ?
বিস্নুপ্রিয়া মনিপুরী
অওব অথোন য়াম্ ওয়াম্বী
মুংসিন্নরুব সাগৈ অম
ঈমালোল নৈনরনি
চিন-কাংজৈ

কা ঈমা ঈমা ও
ঐখোয়গী লাকে ঊবী ও।
নোং চুং লাকনু
য়েম্পাক তুপ্তুনা মলাকে।
লবী নাপ্পি লাকনু
চৈনু নুহুন মলাকে।

ঐখোয়গী হয়েং চাউরগ
চাউরা [illegible] কারগ
[illegible] থোংবী থোংবাইন
সমু [illegible] লাক্লগ
ঈমা নংবু [illegible]।
কা ঈমা ঈমা ও।

# কংলৈখোল

[illegible]

# থৌসিনকোনগী ঈ-পাউ

থৌসিনকোনগী চহিগী মিফম পাংথোকখে, —হৌখিব নবেম্বর ১৯, নোংমাইজিং ক্লুমিংকা অয়ুক পু: ১১ তাব মতমদ সলাই পু'সিফম সংলেন্দ কংলৈপাক থৌসিনকোন ময়ায় সংলেনগী চহিগী অপুনব মীফম পাংথোকখ্রে। চুমিং অ'সদ কংকোন ময়ায় সংলেনগী মথং ১৯৮৮ চহিগী অনৌবা থৌপ্ বসিং মথাগী মীওইসিং অসিবু খনখ্রে।

(১) খুরাইজমচা লৈসেম্ব থা-ভানব - থৌবুরেল
(২) হিজমচা মংলেম্ব লুরাং — তেংবাং থৌবুরেল
(৩) থৌনাওজমচা লোইখ'লাকপ—তেংবাং থৌবুরেল
(৪) সুখামচা বাবু —য়াইতোংব
(৫) কোংবমচা ইবোয়াইম তেংবাং য়াইতোংব
(৬) য়ুম্রেম্বম নিংতোল খোইবী লৈম — সলাই পুন্সিফম মীহুং
(৭) পুখ্রম্বমচা ভাঙোম্ব নিংথেম—সলাই পুন্সিফম মীহুং
(৮) কৈথেল্লাকপমচা চাউবী — সলাই কাংলোন সিন্দমসং মীহুং
(৯) চুংখামচা খুমনলেম্ব — সলাই কাংলোন সিন্দমসং মীহুং
(১০) খুনগ্রাকপমচা সামু মভাং লুপ্লাই (মেম্বর)
(১১) য়াহেংবমচা মাইপাক লুরাং লুপ্লাই (মেম্বর
(১২) নাউশেকপমচা খাব থা-ভানব লুপ্লাই (মেম্বর)
(১৩) মোইরাংথেম চমু নোংলৈম—ইন্তরনেল ওদিটর (সেলমিংলোয়)

মথাগী মীওইসিং অসিবুন ১৯৮৭ ইংগী চহিগী খ্বাইদগী ফব থৌমী অমসুং অথয়ব থৌমী ( Best & Special wo.ker ) সিংনি হায়না লাউথোক্নু সকথং চে পিখ্রে।

(ক) খ্বাইদগী ফব চনুরা থৌমী : মোইরাংথেম চনু কোংলৈম অমসুং য়ুম্নাম চনু কংলৈম (পুন্ন তামিন্নখিবী)
(খ) অথয়ব চনুরা থৌমী : য়ুম্রেম্বম নিংতোল খোইবী লৈম অমসুং ...খোকচোম চনু খোয়নৌ খুম্বাইলম।
(গ) খ্বাইদগী ফব পিবা থৌমী : খুনগ্রাকপমচা সামু
(ঘ) অথয়ব পিবা থৌমীসিং :

(i) কৈ : চা চাউবী মভাং (ii) খু : চা লৈসেম্ব থা ভাম্ব
(iii) হি : চা মংলেম্ব লুরাং (iv) চুং : চা খুমনলেম্ব খুমন
(v) মোইং চা চিংঙ্লেম্ব মোইরাং। +

## KHORIROI SANGLUP

( Editorial Board )

# KANGLEIKHOL

Office of the Kangleikhol

(Regd. No. RN 34203/79 New Delhi)
R M C Road, Naga Mapal, Imphal
Pin : 795001. The largest circulated Journal of its kind in the North East Region of India.

## কংলৈলোলবু ৮স্থুব সেড্যুলদ চনব

মতম কয়াগী মমাংদগী কংলৈলোল অসি ৮স্থুব ভারত লৈঙাক পথাপকী সেড্যুলদ চনঃম্নবগী মতাংদ থাংগৎনরকই। অড়ুবু লোল অম হায়বসি মসাগী মমিং অমদি মৈহৌরোল্দগী লৈজরকই। চহি লীসিং কয়াগী মমাংদগী মমিং লৈজরকপ সংসক্রিৎ, তামিল, তেলেগু কনারি ওসিম্নু মমিং হোংদন অড়ুম লৈজে। হায় মমিং লৈজরমদব লোলসিং হায়বদি কোম অটৈ লোলদগী থৈথরগ সেম্নকখিবসিংন সেম্রিব লৈপাক অড়ুগী মমিং লৌরগ মমিং থোক্লি। খুদম ওইনা বেঙ্গলদগী লৌরগ বেঙ্গলি, আসামদগী লৌরগ আসামি অসিনচিংব। হায় মমিং লৈজরকপ উর্দু, তামিল, তেলেগু, কনারি, সংসক্রিৎ, খাসি মিজোনচিংব মমিং মুথত্তুন লৈপাকী মিংগ মন্নি লৈনন থোক্লদে।

## মনিপুরী হায়বসি চুম্নবরা?

কংলৈপাক্তু লোম্নরব লোল অড়ুবু 'মনিপুরী' হায়ন অড়ুম কৌরম্নবরা? বঙ্গ হায়দি লৈজরমদব চহি ২০০ মুক্ত তাইরিব মনিপুর হায়ব বাহৈ অসি লাক্লব মতুংদত সেমখিব লোল ওইহুন 'মনিপুরী' কৌরিবরা? মনিপুরী লোল হায়রগ কংলৈচা পুম্নমকী হৌরককম, সাংকম, চাওখৎ-লোল, মরেক লৈজব তাওলব কুকপ অম ওইজবগী ইকাই থুম্নব অমদি

কংলৈপাকসিংগী মতম (আইদেন্তিতি) পামমক কনম হল্লবরা? রাহুংসিং অসিমদি লোল অসিবু চম্মুব সেত্মানদ থাংগৎকদবনি হায়বতুন পাৎখননরিব ইচিল ইনাউসিংন ইথন খন্নদব ওইন উই। খন্নদব অসিমক্তু তুংগমচৎকী নোংগোরোনদ য়াম্ন য়াইফব পিরমগদৌরিবরা? অমুক্তং খন্দহৌব চু গনি।

## মসাগী ময়েক লৈজব লোল

মসাগী ময়েক লৈজব লোল হায়গসি য়াম্ন চাউথোকচনিংঙাইনি। য়াম্নানব লৈপাক কয়াদ মসাগী ময়েক লৈজব লোল অমত্তু লৈতে। অতুবু মসাগী ময়েক লৈজদব লোলসিং অসি কাওব মমালোলন লোল অতুং মমিংদি লোইন থোল্লি। মসাগী লৈজব, তিবেতো বর্মন লোল বাংলুগ মকম চাউন কান্নব কংলৈপাকসিংগী লোল অসিন মমালোলগী মমিং মুখৎলগ মসাগী লোল অসিগী মমিং অতোপ্প লোলদ 'মনিপুরী' হায়ন থোক্লগ লোল অসিগী ইকাই খুম্নব ঙাক্তনি, ঐখোয়গী মতম কনগদৌরিবনি হায়রতুন থল্লবদি — রাকম অসি অমুক্তংগ চনিং ঙান খন্থবিহৌব তঙাহৈদে হায়জনিংই। নোংম নোংমগী মুৎসিল্লব্রব মতম অমদি ত্রিপুরী, কসারী, সন্তালি, ভুতিয়া-লেপচাসিংন মুৎসিল্লব্রিব অসিগুম্ম মমখিনব হৌরক্লব কংলৈপাকসিংগী তুংগী লম্বীবু অমুক্তং খন্থবিরগ লোল অসিগী মমিং করি হায়ন থাঙৎহৌবন চুমগদগে হায়বতু নৌহৌনন লেপ্পবন য়াম্ন চুমগনি।

লোল অমগী ইকাই খুম্নব অসি লোল অদুগী মমিং অতোপ্প তোঙানব লোল অমগী রাহৈন থোনগ্রব হায়বসিন খরমখৈদি মাঙখ্রগদবনি। মতু খন্দদব মীন মপুরিংদ পেনজব কাওরগ অচুম্ব ওইন ক্রেম তৌবদি য়ারোই।

## কৌব য়াব মমিং লৈজদবরা?

'মনিপুরী' নত্তব লোল অসিগী মমিং লৈতে। মহাভারতকী মনিপুর অদুনি হায়রতুন কংলৈপাকপু মীনমতুন মুখৎনব হোৎনখিব অতু চহি ২০০

য়োমত ভাইরি। অদুবু লোল অসি খ্রিস্তগী চহিরোন মমা দগী চহি নিসিং কয়াগী মমাংদগী মসাগী মমিং থোনজদুনা লৈরক্লিবনি। লৈপাকী মমিং কংলৈপাক হায়দুনা লৈরকখ্রগুম পুম্মা কথাদ 'কংলৈলোল' হায়বসি ময়েক লান ইদুনা থনম্লি। পনজাবতগী পনজাবী, বেঙ্গলদগী বেঙ্গলী লাকখিবগুম কংলৈপাকী লোলদি মসান কংলৈলোলনি। কংলৈ হায়বসিন কংলৈপাকী এদ্রেজিভ ওইনা সিজিন্নখ্রবনি। মসিনা চীংমী তম্মী অনিমকপু কোল্লি, মরমদি কংলৈপাক চীংমী তম্মী অনিমকী অপুনবা লৈপাক্লি। ঈনিংথৌ ঈবুংঙো ভাগ্যচন্দ্রনা লৈপাক অসিগী চহিরোন পানব কাংলোন ১ হৌদোক্লবদুবু "কংলৈপাকী মক" হায়দুনা পুযাদ থোনবিরম্লিব অসি চীংমী-তম্মীগী অপুনবা লৈপাক কংলৈপাক ওইবনি

কংলৈলোল অসিদ মোইরাংনা বাহৈ কয়া হাপচিনখি, খুমন্না কয়া হাপচিনখি, লুৱাংনা কয়া অমুম্না সনাই সনাইদুনা পল্লিব মফম অদুগী অথৌ অহৈসিং ফাখিবসিংনা লোল অসিদ বাহৈ হাপ্পরকই। লোল অমমুং বারী সীংবুল হাপ্পরকখিব অদুবু মোইরাং কংলৈরোল, খুমন কংলৈরোল, লুৱাং কংলৈরোল অসিনচিংব খণ্ডনরিবসিনি।

লোল অসি মৈতৈনা মপুংওইনা সিজিন্নে তম্পাক মপুং মরৈ যাহনখিবনি হায়দুনা হৌজিক "মৈতৈলোল" হায়দুনা ভসি ভসিমক চীংমী তম্মী অনিমক হায়নরি। থায়নগী মমিংদগী লৌরবস্থ ভসি ভসিগী মিংদগী লৌরবস্থ লোল অসিগী মমিং মসাগী মমি ওইনা থোনফম থোকই। লৈপাক অসিগী মিং মনিপুর কৌরিভৈগী মতমদস্থ মনিপরী লোল কৌন্দবদ কারিমত্ত অকায়বা লৈতে।

---

## —কংলৈপাক য়েকফলগী তিকেৎ লৌবিয়ু

**"সনাই পানা সিন্দমসংগী সংলেন সাবদ তেংবাংবিয়ু"**

তিকেৎ মমল: লু: ১০/—চৈচৎ ৩১—১২—৮৭ ইং

মফম: ওরিয়েন্টেল কলেজ লম্পাক, ইম্ফাল

মতম: মুংথিল পুং অনি

কংফম: কংলৈপাক থৌসিনকোন মযাই সংলেন, তেরা অমসুং কংলৈখোলগী এজেন্টসিং।

অহানব মনা—মাকুতি ক্কার (অম)

লোয়নন মথল-মথেলগী মনা ৩৩ অমগ থমজরি।



লাইনীং লাতম

লাইনীং নৈনসং
সলাই পুখিকম

## সনামহীগী লৈহুল করম্ব তমগনি

—য়োইরেনসং, সলাই পুখিকম।

লাইনিংথৌ সনামহীগী কম্বাস য়াব হায়বর্স সনামহী নিংজরিব ইমুং পুম্নমক্কী তৌদব য়াত্রব কাংলোন অমনি। সনামহীগী লাইসংদি লৈনরিব খুম অসিনি। লৈনরিব য়ুমগী সম্বোং পাথব মনামহীগী খুত্তম যাগনি। খুত্তম য়াব হয়াসি মথাল লিংহুন অঙ্কী খুংথিলগী হুমিদাংগী মেক্রুক মৈরা কংচহুব খুকমজনবগী পথাপ অংনি। লাইনিংথৌগী খুত্তম অসি চহি খুদিংগী থাগী চহি ( লুনর ইয়ার ) কুমজা হৌব হুমিং সজিকু নোংম পানব চৈরাউব হুমিং অসিদ লৈহুল তমগ-দবনি। মরম অমুন সনামহীগী লৈহুল তম্বগী কাংলোন অসি ইমুং পুম্নমক্ক খত্তদব য়াত্রব লাইথৌ অমনি।

মাইব মাইবী নেক্কব য়াই — হৈহুল তব অসিবু হৈববদি সজিকু চৈরাউবদ মাইব মাইবী নেক্কবমু য়াই। মাইবী নেকপদ কুরা মাইবী, নোংমাই মাইবী, সংলেন মাইবী হমহুন মথল ও লৈবক্সিদ করুম মখলগী মাইবী নেকপদগে হায়বগী য়া খঃ চংলকনি, মসিগী খুদোং চাদব থর লৈ।

(i) মাইবী নেকপদ সংলেন—নোংমাই- ফুরা মফম খঙনব্রব মতমনিন অমহেক্ত নেক্রুব ভোয়ন খোকই। নেক্রুব মাইবী অহুন ইমুং অহুগী নক্রপ, ষুয়াক অহুগীদি সংলেন ওইগনি, নোংমাই ওইগনি, ফুরা ওইগনি-হায়বহু মলাগী লৌসিংন খঙব ওমত্রবদি চাহুদব মখল অমগী লৈহল ভৌসিল্লগ য়াবগী থুদোংখিব লৈ।

(ii) ষুয়াক শাগৈগী মায় মায়ব, খেয় খেয়ব কয়াগী লৌসিং মপুং ফাত্রবদি লায় শৌসিল্লব য়াবগী চিংনব লৈ।

(iii) হায় কাংলান চুয় লৈরমহব ইমুং ওইরবদি চময়রে হায়—হুন ভোকপদি য়াদব নন সংলেনগীহুন ফুরা ওইন লৈহুন ভয়গ য়াই, নোংমাইগীহুন স লেনগী লৈহুন ওইন ভয়গ য়াবগী থুদোংচাদব কয়া লৈ।

অসিগুম থুদোংচাদবসিং অসি লৈবন ঈসা ঈসান লৈহুন মরোন অসি খরমখদি খঙজিনবন খ্বাবদগী চুয়ব লম্বানি। ঈসান খঙ্গরবদি চয়েৎনব কয়া অসি মমত্ত থোক্লরাই।

ইমুং প্রমনমক্কা নোংমতদ মী সুন ফংলোই — সনামহীগী খুভমদি ঈবুং খদি মক্কৌ লৈ। লাইগী খোগল চংগদব মাইব; মাইবী, ঈরং পীবাদি মসীং য়ামদে। অতু ওইরবদি মী নেকপ ফংনরোই। অমরোমদ ঈরাং পীবা অহুগী ইমুংদম্ব চৈরাউব গুমি কৌদ খোরম পাংখোক্লিগনি। মরম খরদিন ইমুং থুদিংগী মী ফংব রাগনি। মতাং অ সদ মখাগী পাম্বে খর অ'স তঙাই ফদন চংই।

(i) চহি অমগী তোদব য়াত্রব সনামহীগী লৈফমোন অসি ইমুং অমদ বামত্রদ মী অমখক্তি হৈনব হোৎনব।

(ii) লাই লৌবৎপগী অখঙ কহৈ য়াওদব য়াদব মতাং অমদি চুয় চহিগী কিরোয় ফিভাম হোংখ লৈহল তনজব হায়হুন সরুক অনি

থোক্র লৈ। চহিগী কিরোম্ব ফিডাম হোংব লৈহৌল তম্বদি লাইরোন তিন্নোল য়াওজবস্থু চম্ন তৌব য়াই। অচম্ব মথল অসি ইমুং অমদ য়ামজবদ মী অমথক্ত থডনব হোংনব।

(iii) লাই লৈখা তাব মতম অমদি নৌন লাই লৌথংনিংব ইমুং-গীদি চৈরাডব হুমিং নত্তব সজিক্কু, কালেন ইডা ক্যাওবগী মপুংদ অকব হ্মামং থাবাল য়েংনরগ অথঙ অহে নেক্কুন তোঙাম পাংথোক্রব হোংনব।

## অ১ম্ব লৈহোন কাংলোন

লাইবোল তিন্নোল য়াওদন হৌনবী কাংলোন চুম্ন ফিরোম্ন ফিডাম হোংব অমদি লৈহৌল তম্ববু অচম্ব লৈহৌন-কাংলোন হায়ন থডনৈ। অচম্ব লৈহৌনান কাংলোন অসি মুমতুগী লাইমিং লৌবব মুশানত্রগ চাথুম থেকপ মতম থোক্তব লাইমীং লৌরবী মুনী অমন হেক্ত তৌব য়াই। মতাং অসিদ লাইমিং লৌব হান্নরিবদি সনামহীগী মিংথৈ ফংববুনি। তোগদৌরব অচম্ব লৈহৌল তম্বগী মওং অহু মথাদ পিজর।

লাইমিং লৌব — মুম খুদিংদ সনামহি লাইনিংথৌবু লাংবন-রিবনিন মুম অমদ য়ামজবদ নহারোন্দ ওইরবস্থু অহল্লোন্দ ওইরবস্থু থোগল চংননব মা অমদি সনামহী লাইনিংগী মিংথৈ লৌবিগদবনি। বৈষ্ণব লাইনিং চৎপিব ইমুং ওইরবস্থু, খ্রিষ্টিয়ান চৎপিব ওইরবস্থু অতৈ লাইনিং অম চৎপিরবস্থু সনামহীগী খুতম য়ারিব ইমুং অমদ য়ামত্রবদ মিংথৈ কাবিব অমত্তংদি হৈহৌস তম্নবগী থৌরম পাংথোকপিনব লৈদিক্ম থোকই। মতম থরদি কংলেপাক অসিদ লাইনিং মথল ১/২ ইমুং অমদ পুম্ন চংপিব থরমথৈদি লৈতব ইয়ামক য়াররোইদবনি। অমরে মদ মসিনক য়াম্ন ফজত্রব ইন্দিয়ান সেকুলারিজমগী খুদম অমনি।

অম্ম্ম ওসি ওসিমক অহল লমন গৌরিয়া লাইনিং চৎপিব নহারোল থরন ইমুংহুগী লাইগী থৌরম তৌনব সলাই পুন্সিফম সংলেন্দবী সনামহী



## মসি মাহৌরোলনগী ব'বাসি
### ( অঙম অথৌন য়াম্ম ওল্লম্মী )



মাহৌরোলনগী তাংকক থরদগি অঙম অথৌ হায়বসিন য়াম্ম ওম-লম্মী। চোংলম চাদবা থবক কাওব ত্তৌব ওয় উৎননবগীদমক মীয়াম যথাক্ক ত্তৌনরম্মী। অঙম হায়বসি য়াম্ম ওল্লম্মী। অথৌবসিংস্থু য়াম্ম থৌরম য়াওরি।

মণিপুরা কুমসিং ৩০৯৬ ইস্তেল থাগী ২৩ নি পানব নিংথৌকাব মুমিত্ত নিংথেম সিজ মচা সিজ অঙম অথৌসিং লৈসাংথোংদ হৈ চানব চংখি। লৈসাংথোং ত্তাম্ম অঙম অথৌসিংন হৈ চাব চংপসি মীদমক মুরেল অচৌব অসিগী মীসিং মরীলদ ত্তোংননব পোং সারম্মী। ইত্তেল থাগী মীসিংজি কুমগী মতমনিন য়াম্ম চাউরম্মী। মীসিং থম্ম লৈব মতমদ পোং সাহুন লৈসাংথোং ত্তাম্ম ত্তোংহুন চংপসি অঙথগী উৎথোকপ ( সো ) অমনি।

য়াম্ম ওল্লম্মী হায়বগী অচৌব রাবী মন লৈখি। অঙম অথৌসিংন ত্তোংলিব পোং অসি সনজেনথোং, হৈনৌথোং অমদি সগোলথোং — ৩ অসিগী মথাদ লিত্তুন থৌব চল্লমদে। মরম অহুন অঙম অথৌসিংন সনজেনথোং থাহোক্লম্মী, লৈবাক মীয়ামন মীসিং চাউব মতমহুদ কাম্মবগী মরু ওইবুব থোং অম ওইরিব থোং অসি মথোঙসিং অহু য়াম্মেক্লুন থুদেক্লগ হৈ চাব চংপহু কাম্মৎনখিদে। অদুম্ম পোং চংপ চন্দব হৈনৌ-থোং অমদি সগোলথোং ২ মকপুস্থু য়াম্মোক্লগ লৈসাংথোংদ হৈ চাব হুংখি। অঙম অথৌবগী রাবীস্থু অদুম্ম মাহোরোম্ম কাউদন থম্মি। +

লাইনিংগী মিংথৈ লৌবিগ্রব পীবা চহুরা ৩০০ হেনখ্রে। য়ুম্বুরেন অমদি য়ুম্বুরেম্বী ২ গী মরক্ত অহংলোন্দ ৩১ নম্রগ ১ লাইমিং লৌবিখিবস্মু ইমুং ৪০ হেনখ্রে।

কবিগুপ্ত মথৌ তারবদি সলাই পুন্সিফম সংলেন্ন ইমুং অচুগী অপাম্ব তাকপিরকপগী মতুং ইন্ন সগাই পুন্সিফম্ন গৌরিয়া চংপিবগী অসেংব থওদব য়াদ্রব গৌবিযা লাইনিংগী কাংলানস্ন ক্লাস পিজৈ সনামহী লাই-নিংগী লাইমিং ফংলবসিংগীম্নু লাইনিং অসিগী হৌনবী ক্লাস পিজৈ। অস্ম্ন ইমুং অচুদ লাইনিং অনিমক কাংলোন চুম্ন চুম্ন চংপিনব সলাই পুন্সিফম্ন ২ মক্তা মতেং পংজখিব ইমুং ৫০ হেনখ্রে। ইম্বুংসিং অনিন মথা তান পিবিরকখিব রাবোলসিং (রিপোর্টসিং) অচুগী মতুংইন্ন অস্মু ইমুং অচুদ লাইনিং ২ মক্তা অথওব মথল সুন লৈবনিন য়াম্ন হেন থুদা চাব ওইবে, মুংঙাইখ্রে. ঈসাগী হায়ব অম সুকথও থওদব-মথ লৈরম্ব মুংঙাইতব অচুম্নু কোক্লে হায়তুন খঙহনবিরকখি। তঙাই-ফদন ঈমুং অনগী মীওই অ তুংদি ব্রাহ্মণসিংগীম্নু, গোত্র চংপিবসিংগীম্নু, য়েক সল ই চংপিবসিংগীম্নু, চীংমী ইচিল ইনাওসিংগীম্নু সনামহীগী থুভম যানরিব ইমুং পুম্নমক্ত মিংথৈ অসি ফংহনবিয়ু।

লৈহুলগী পোৎচং : লৈহুলগী পোৎচং অসি য়াম্ন কুপথখিব অম চংদব য়াদব মরু ওইবতমক থনগৎপ অম ২ থোকই। মতাং অসিদ চংদব য়াদব থনগৎপ পোংচং মসীং য়ামদবসিং অচুতমক লৌখৎচরি।

অহৌবদ চংব পোৎচং — লাইরাল তিল্লোলগী অরুব সরুক য়াওদব মরম্ন হুকচাং সেংদোক্লব, ফম্বাল সেংদোক্লব, হৈ-লৈ, পোৎলম অতৈ সেংদোক্লব ইহান হানবদ তাইরেল-পুংফাই চংই। (i) তাইরেন মনা মতোন্দ ৩ লোংব অম নাহৈ তাইরেন হায়দুন চংগনি। (ii) মথোল থাদন মনা ৫ লোংব পুংফাই পান্দোং অম চংই। উমং লাইগী নাহৈবদ

তাইরেন্তন তৌনব য়াওরবসু লাইনিং লম্বীগী মপুং কাব লাইথোকপদি পুংফাই য়াওদব য়াদে। তাইরেন পুংফাই অসিন মরি লৈনব মী অমদি পোৎচৈ পুম্নমক থিকফেন চাইহুন সেংদোকনি। মতাং অসিদ লাইমিং ফংলব মী ওইরবদি নাহৈরোন ফাব্রবসু নিংথৈ অতু সোম্লগ থিকফেন চাইবসু চৎনরকই।

থিকফেন চাইবগী কাংলোন -- তাইরেন অতু লোংন পাই-গনি, পুংফাইহুন পুম্ন শাইমিন্নগনি। থুংপায়দি থুবীগ থুংনিংথোগন তাইরেন অতু লোংন লেরগ থুংয়াই সোক্ন চপসিন্নগ পাংগনি। চাইব মতমদন লাইজ ঈরু ঈসেং অতু থাংমন হায়বদি খাদগ। থক্রোমব ৪৫° দিগ্রি ফন্দুন থিক্কনি। ৪৫° (দিগ্রি) অসিদ ফেলেনন থিকপ ঈসিং ঈসেংগী থুংথিক অসিবু 'লাইজ থিকফেন চাইব' হায়না থগৈ।

লাংথৈ মতোন -- লাংথৈ মতোন্ন কাংলান নাইন মফম মফম কক্রুন থাব অমদি মফম নাইন লৌশরুন লাইকবাক মনুংদ লাই সনবগী কাংলোন অসিবু মপুংদ 'লৈছ্রান' কৌই। সনাহৈগী লৈছ্রান্দ থাওরব য়াদব লাংথৈ মতান অসি ৪ নি। লাইপুংথোগী ৭ কী মপোপ ৭, লাইনুরা ৭ কী ৭, সনাইলেন ৫, ফাংথোং (ফম্বাল মথাও) ৪গী মপোপ ৪ অমদি চনিংগী (ফম্বাল মথাগী) ১ =২৪ অসিনি।

### থাবগী মওং

(1) সনাইলেনগী

২ (১ ৫) ৩

চনিং

ফাংথোংগী

১ ৪

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| | ১ | | ১ | |
| | ২ | লুকলেন | ২ | |
| | ৩ | | ৩ | |
| লাইপুংথোগী | ৪ | অথনপোৎ | ৪ | লাইনুরাগী |
| | ৫ | | ৫ | |
| | ৬ | | ৬ | |
| | ৭ | হৈ-লৈ সেম্বা | ৭ | |

মথক্কী অসিদ লাইপুংথোগী লাথৈ মপোপ ৭ অসিন ফম্বাল্লোমদ মমায় ওনসিনগনি। লাইমুরাগী লাথৈ মপোপ ৭ অসিন ফম্বাল্লোমদ মথোক্ক ওনসিন্দুনা লৈহৌগ তমগনি। লাইমুরগী লান লোংন থাগনি লাইপুংথোগী লান উপ্ন থাগনি। ফাংথোক্তগী লৈহৌগন্সু লা লোংন থারগ মথক্তুদা লাথৈ মপোপ হাপকনি। ফম্বাল মথাগী চনিং অন্থু লা উপ্ন থাগনি ।

(ii) লুকলেন লা মরাক ৩ তাইহন চেং হৈহ্নন ফম্বাল মমাংদ কংপবু লুকলেন কৌই।

(iii) অথেনপোৎ -- যেনদাং-নাপী অসং অমান থোংথংক্লব পোৎলম হাপ্লুনা ফম্বাল মমাংদ থেনববু অথেনপোৎ কৌই।

(iv) অতৈ অতৈ -- হৈবম ৭, লৈরম ৭, সংবৈল, লাংথৈ, অকংসঙ মৈরা মেক্রুক মৈরা-চিংব মতোনথংব পরেংদ হৈন চেং থংনগ লৈন ওই থংলগ অতৈ পোৎলম্ম মরক থন থন্দুন কংবনি।

(v) ফিরোয ফিড্রাম -- লাইনিংথৌগী ফৈজোম ১, ইন্নফি ১, কোকয়েৎ অম, নমথাং ১ সনাথোং অপানবা ঈমাগী ফনেক ১, ইন্নফি ১, খাংচেৎ ১, নমথাং ১ ফমক্কী মরাক তাইব ১, লেংগোন ফি অম লাইরুবাক মপুংদ নিংথন থুপ্লুনা হাপকনি। মসি খ্বাইদগী সমজিল্লব মওংনি।

থুক্কম্বগী কাংলোন - লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী পোৎলম মুন থেনব থাব লোইরগ থুক্কমজগনি। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী হৌদোকপদি রাহৈ য়াওপ্রবসু থবাক্কী অকুংপ থমোয় লাইমুম মপাদ খুৎস ১০ ফসি মপা চানহন্দুনা থুবাক ৩ লক থুগনি। অমুম্ন হৌদোক্লগ ইমুংগী অরেব মীমথৈ থুক্কমগনি। থুক্কম লোইরগ অমুক মমাংগী অদুগুম থুবাক ৩

# মুৎসিল্লক্কব সাগৈ অম
## ( সনথৌ )


সনথৌ হায়বসি কংলৈপাক্ত ফংব য়ায়ৈ তাংলব সা অমনি। সনথৌ হায়ব সাগী সাগৈ অসি য়ায়ৈ ভাংই। সনথৌ হায়ব সাগৈ অসি ভাংসগী কংলৈপাক্ত মসাং কয়া লিংলিবগে হায়ব কনানস্থু খঙব ভমদ্রে। মতাইগ্নে সনথৌ হায়বসি মুৎসিল্লক্কব সাগৈনি।

সনথৌ মপাঙল লৈব, সা হাংপ ভয়. মীবুস্থু হাংপ সন মথল অমনি। সন্দংগুম য়ায়ৈ চাউবস্থু নত্তে। কৈথেল কাওগুম মসা মউ চাউবগ্ন তৌদে। যেংবদ সনগী মওংনি হায়বতনি, সাকিরমগদব মানব ফিভম চপ চান লৈব সনগী সাগ অমনি। সনাথোন হাংখ্রব কংলৈপাক্তী অভম অথৌ, মীচম কয়া লৈখ্রে। মলিথা কুমসা ৩০৯৫ গী লমদা থা ২৫নি পানব খুমজকৈসা হুমিত্ত চাং খাডননব সনাথো অম হাংননব হোংনরম্মী। নিংথৌ য় ওন কা জৈন হুন্দুন তায়বদগী খাই দম চাখাবু সনথৌ অজুন হাংলমখি। মী তান্নরবদি কংত্রিব ফাওব তায়বগ মী অহু হাংত্রিব ফাওব হন্দব কিনিডাই ওইব সন মখল অমনি।

কৌবরু চীংগদি সনথৌ অসি থায়নৈভদগী লৈরকপগী বারী ফংই। খ্রি ১৯৬১ দ কৌবরুগী অমম লৈসা লোকী লোকমায়দ সনথৌ ভথক মী ৬ ন থেংনখি। মরম অহুন মুৎসিল্লক্কব কনানমু খৎখিরক্ত্রব সনথৌ হায়ব সাগৈ অসি ফোরস্ত লোয়মসংন কৌবরু চীংসাদ থিজনব অম মতম চান তৌখিহোত্নন মীয়ামগী লৌশিংদ যোহনবিগক্কব হোংলখিব চুমগনি। +

লক খুহন লাই তেসিনশনগনি। পুক্সিংন লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনিংক মহনফমদ হনজিনবিরে মতেকমদ তেবিথ্রে হায়ন খনগনি।

লোইশিনব — অরোযবদ লাইরুবাক অদু হাংদোক্লুন লাই-নিংথৌ লাইরেম্বীগী ফিরোয় যিঙাম অদু সো প য়ানবন খুবাক ৩ লক খুতুন হৌদোকনি। মথাগী অসিগুম্ব কৈহুল অমুক লুবাক মন্নুংদ তমগনি।




( লাইরুবাক মন্নুংগী কৈহুল )

মথক্কী অসুম্ব লাংথৈ মপাপ ৭+৭+৫=১৯ অসি অরোইবগী কৈহুনদ শমগনি। মায়শন্দি মথাদ থাব অদুগুম্ব লাইপুংথৌগীন মতোম মন্নুং ওনসিনগনি, লাইনুরাগীন মতোম মপাল্লোমদ ওম্থোকনি। সলাই-লেল সিদবগী মপোপ ৫ অদুন মতোম মন্নুংলোমদ ওনসিন্দুন মথে ক্ক লাইনিংথৌ লাইরেম্বী ২গী কারক তাহন্দুন কৈহুল তমগনি।

মথক্কী কৈহুল অনি লোইরগ লাইরুবাক অদু নিংখিন খুমজিনগনি। লেংদনব কম্বলগ লাইরুবাক মরুং অদুগ তুন টেং পল্লা অমন লক-শিন্দুন পুনসিনগনি। অকংজেল, সংবলৈ, লাংথরৈ, তাইরেন, পুংফাই অদু লাইরুবাক মথক্ক থম্লগ ( থমত্রবস্থু য়াই, ফত্ত হৌখি চংব ওমদনবনি) অমুক খুবাক ৩ লক খুতন লাই তেসিল্লমগনি। অসুম্ব অচম্ব কৈহুল কাংলোন অসি মীপুম খুদংন চহিগী অহোবদ পাংথোকশিব য়াই। +



# অদোমসু মথনবায়ু
## ( বীস্নুপ্রিয়া মনিপুরী )



আসাম, ত্রিপুরা অমদি অয়াং নোংপোক ভারতকী লমদ চাইন তারিব বীস্নুপ্রিয়াসিংন মহাভারত য়াওরিব মনিপুর অসু মখোয়গী লৈপাক্তি হায়রি। অর্জুনগী মচা মসুসিং অসু মখোয়গ নক্কব ফেনবগী খুদম পিরি। অর্জুনন চৎলুব মনিপুর হায়বসুদি সংসক্রিৎ ভাসা লোল-লম্মী। সংসক্রিৎক মায়ব নক্কব লোলদি বীস্নুপ্রিয়া লোল অসিনি হায়হুন খুদম পিরি। মরম অসুন বীস্নুপ্রিয়া মনিপুরী হায়গদবনি, লোলগী মমিংসু বীস্নুপ্রিয়া মনিপুরি হায়হুন লৈপাক থরদদি সকথওবগী চেরোল লাউথোকত্রে। বাংলা দেসতসু বীস্নুপ্রিয়াবু মনিপুরী ওইন সকথত্রে।


সাহিত্য পরিসদ কুম্বনদি মহাভারতকী মনিপুর অসু বীস্নুপ্রিয়াসিংন মুনথিগদোরে হায়নে নিংদোল চাংবগী পাউসু ওংনরি। পরিসদকী চেকোংসিদ কংলৈপাক অসি মহাভারতকী মনিপুব অসুনি, মরুপ অসিন মহাভারতকী মতুং ইন্না লৌরগ মনিপুরী ওইকম থোকত তাক্কুনই্রে।

লৈপাক অসিগী মমিং ক লৈপাক লৌরকই, মরুপ অসি কংলৈচা-সিংনি, লোলন কংলৈনলেলনি অমদি মরুপ অসি মৈতৈ লোই, লোল অসি মৈতৈলোলনি অসুম লাউরবদি বীস্নুপ্রিয়ান বীস্নুপ্রিয়া মনি-পুরী' হায়তন মমিংসি মুনথ্রগনি। মৈতৈলোল হায়রবাদ কংলৈলোল হায়রবদি মীন ওমথ্রগনি, মনিপুরী হায়ব রাজৈসি মুনথ্রগনি। অসুম হায় ব ঐখোয় বীস্নুপ্রিয়াতবু ময়থিব পীরগ লোইরে অতৈ পুম্নমক মাওঙমসু থমসিরা? অসেংব মমিং অসু চংনহুন কনাম্বগে মরী লৈনদন চিং লেম্ন লৈঙাক লোয়সংদ থাজংহৌদ্রা? ঈমালোলগী মমিংবু মৈরোলন থোলহৌদ্রন পুকচেল চাউথোকপ ওম্বগী খুদম ওই-রোইদ্রা? অদোমসু মথনবায়ু।

# কাংলোনগী তাইবং

## ফোরেন লিকরদ করি করি য়াওরি

—কাংজীয়া।



নৈনব খিজিনব খ্বায়দগী তনব মূরুপ অহুন খ্বায়দগী হেন্না মাঙই। খিজিন হুমজিল্লবগী চাওখৎপ য়াথল লৈতব মী কাংবু অহুন মদা অহু অমুম অমুম মাঙহল্লবনি হায়বফাওব খঙজদ ঙমলক্তে। মখোয় অহুন খ্বায়দগী তানব, খ্বায়দগী হুমুনব মীওইসি নি। কংলৈপাকী কংলৈচাসিং খিজিন খোংচিনবদ য়াম্না ইচং থৌরিবরা, কংলৈচাসিং য়াথল লৈন চৎন-রিবরা, পংচৎ চৎনরবজাংলা হায়বদু য়ুথকপগী য়াবী নৈনরগ মচেৎ অম খঙব ঙমগনি।

ফোরেন লিকর (মীরমগী য়ু) — কংলৈপাক অসিদ ফোরেন লিকরনি হায়রবদি হকচাং সোক্লরোইদব, য়াম্না থাক য়াংলব, থক্লিব মী অহুম্ .লমজনিংঙাই ওইব পোংলক অম ওইন অয়াম্বন লৌনৈ। অচৌ অসাং য়ুঙাওনসি হায়রবদি চন্দ্রাসি চৌকিদারদ ফোরেন লিকর লৈব

থানৈ। কোরেন লিকর হাপ্প লিক্লি ফজবসিদু য়ুমগী লৈজেংনি, উপুগী রাসি হাপ্লিবনি হাইদুনা পরেং পরেং থেন্দুনা নিংথিজন থমনৈ।

য়ু দ করি করি হাপচিনবগে — কোরেন লিকরদ মনাগীদমক, মচুগীদমক, মহাওগীদমক, পোৎথোক হেনগৎহনব য়ানবগীদমক, কুইনথম্ব য়ানবগীদমক, মসক ফজহনবগীদমক, মরায় কাহনবগীদমক হকচাংদ কান্নদব মাওনিংঙাই ওইব পোৎচাক (এদিতিভ) মখল ২০ হেন্না হাপ্লি।

মরম অদুন আমেরিকাদদি দ সেন্তর ফোর সাইন্স ইন দ পব্লিক ইন্তরেস্ত (CSPI) অসিনা ১ রক শুব ওইনা রিগানগী লৈঙাক লে য়সংগী ফিবেপকী মায়ওক্ত ব্রাকৎ অম পি্র। আমেরিকাগী প্রেসিদেন্ত কারতরগী মতমদ Bureau of Alcohol, Tobacco and Firearms (BAFT) না ১৯৮০ ইংদ পুথত্তুনা চংনবা য়ু লিক্লিদ য়ু অদুদ হাপচিল্লিব পোৎচাক (এদিতিভ) পুম্নমক ইদুনা চে নপকদবনি হায়ব শথাপ অসি প্রেসিদেন্ত রিগানগী মতমদ ককথংখিবগী ব্রাকংনি।

CSPI না য়ু লিক্লিদ য়ু দ হাপচিল্লিব পোৎসক পুম্নমক চেদ ইদুনা নপ চনবনি হায়দুনা সীংনরিবসি মরম ওয়া লৈ। য়ু শুংবদ হাপচিল্লিব পোৎচাকসিং অসিনা মীওইশিংবু তমথিব মওংদ মাওহল্লিবসিং অদুদগী কন্নবা হায়নরবনি। CSPI গী ব্রাকোলদ য়ু দ চাওরিব সলফাইদ কাংলুপসিং অসিনা মীওইববু তোরা তুনা মাওহল্লকপগী অকুপ্প নৈনবদু য়াওরি। সলফাইদ মখলসিং অসিনা মীওইশিংগী হকচাংবু মাওহল্লকপদগী আমেরিকাগী অচা অথক যোনব সলাদবারসিংদগী থিংজিনখ্রবনি। সলফাইদ মখলসিং অসি অচা অথক্ত সিজিন্নবদগী পিংথ্রবস্থ য়ু শুংবদদি সিজিন্নরি। করি করি হাপ্প গা হায়বগী চে নপ্প হায়বদুসু নপুব য়ানব মাগী মাগী লৈঙাক লোয়নসিংদ য়ু শুংব কাংবুন ব্রাকোমইদুনা থঙহনজবা হোংনরি।

EEC না হোংনহুন মীগী হকচাং মাওলগদব কোরেন লিকর পুম্নমক ১৯৮৮ গী জুলাই চেচৎ ২৬ কা ওবগী মঙ্গুংদ মপান্দ লোইন থাদোকখো, চৈচৎ অসিগী মতু দগীদি কো রন লিকর শুংবদ লিজিমহৈব এদিতিভ কম্নামরুম সিভিম্নব মারবোই হাওবগী রাবোল পুথোকখ্রে।

অহুবু য়ু লালোন্‌বসিংন যুদ্ধ হাপনিংব পোৎ হাম্ন থিংদনব মাগী মাগী লৈঙাকপসিংদ অরোনব মরি লৈনহুন নমথহুন অহুম থমহল্লি।

রাকৎশিনব লৈজদব কংলৈপাক — থিজিনগন্নব, রাকৎ ভৌগন্দব মীন ভৌবিরিরমথৈ য়াগনব কংলৈচাসিংদদি করি ওইফম থোকপাগ? আমেরিকাদ সিভিম্নব যাদহুন ভারত থাজিম্নরুগ সুংদোক্তুন রিফাইল হাম্নহুন সিভিম্নগল্লিব অচাথাও লৈন পোকহনব মথল অসিগুম্ন আমেরিকাদ চংনব ফিংগ্রব য়ু কম্না, ফার্মাসিগী হীদাক কম্না কংলৈপাক অ দি ভারতকী মফম কয় দদি য়োল্লিবনি। মতম লেনবতং তুং ভ ইহল্লগ লোইরে খন্নব কংলৈচাসিংদদি করি ওইরকপ ম্নাবগে হায়বহু অথওবসিংনদি উশিরিগনি।

পাম্বৈ থিবকপদ ভোৎ লৌনখে — যুদ থাম্নিব হকচাং মাওকল্লা পোৎচাকসি অসি লাথোকহনবদ পাম্বৈ ওইননব নিউ য়োর্ক সিতিদ ১৯৮২ গী গেল্লপপোল পাংথোক্তুন য়ু লিক্লাদ যুদ য়াওরিব পোৎচাকমথৈ ইত্তন চে নপকদবান নপালোইদবনি হায়বগী ভোৎ লৌনখ্রে। নেসানল কাউন্সল ওন আলকোহো লজমগী মথাদ পাংথোকখিব য়ু লিক্লিদ চে নম্ন নপ্তব পাম্বসিংগী ভোৎ অহুগী মতুং ইম্ন অ মেরিকান ১০০ গী মনুংদ ৬১ ন চে নম্ন প ম্বদ ভোৎ থাদখি। ১০০ দ ৩৯ ন নপ্তবদ থাদখি। মসিন তাকপদি য়ু শুংবসিংগী সেন্দোং তাম্নব হকচাং মাওনব পোৎচাক পংহাপ থাপচনব পাম্ব য়ু ম্ন লৈরি থায়বসিনি। অহুবু অয়াওব পোৎমথৈ চেদ ইত্তন য়ু লিক্লাদ নপকদবনি হায়বসিদি ১০০ দ ৬১ ন ভোৎ পিগ্রবনি।

কংলৈপাক্কীদি য়ুদ করি করি থাকচিল্লগ সুংলিবগে হায়ব ফাওব থম্বব হৌনব্রি।

য়ুদ হাপচিল্লিব পোৎচাকসিং — ফোরেন লিকরদ হাপচিল্লিব য়ানসিল্লিব পোৎচাকসিং অসি তোয়ন সিজিন্নবদ য়েংলগ খোমগৎপদ পোৎচাক ২০ হেল্লি।

(i) পুম্বহনবগী তাংকক্ত সিজিন্নব — খুৎসেমগী হাৈম।

(ii) হাৈমগী মচিনচাক হুনবদ সিজিন্নব পোৎচাকসিং — দাইমো- নিয়ম ফোসফেৎ, এম্মোনিয়ম, সলফেৎ, থিয়ামিন হাইড্রোক্লোরাইদ অসিনচিংবনি।

(iii) বেক্তরিয়ান মাংহনব থিংনব মচাসিং — ব্রাইন মেকরস দীস্তোল, সলফর দাইওক্সাইদ, পোতাসিয়ম দিসলফেৎ অসিনচিংব অসিনি।

(iv) ব্রিস্তপু মথৌ ওপথহনবদ সিজিন্নব এদিতিভসিং — সোর- বিক এসিদ, পোতাসিয়ম সোরবেৎ অসিনচিংব অসিনি।

(v) ইংলেন্দ অমদি জর্মনীগী য়ুসিংগী পথাপ চৎপসিংগী য়ূদ য়াওব এসিদকী চাং ফাথহনবদ সিজিন্নব এদিতিভসিং— পোতাসিয়ম তারত্রেৎ, পোতাসিয়ম বাইকারবোনেৎ, কেলসিয়ম কারবোনেৎ অমসুং EEC লৈপাক পুম্নমক্ত য়ু সুংবদ সিজিন্নরিব এদিতিভ-পোতাসিয়ম বাইতারত্রেৎ অসিনচিংব অসিনি।

(vi) অহোংব মথলগী লংথৎহন্নবগী এদিতিভ-- কারবোন দাই- ওক্সাইদ।

(vii) খা থংব ইউরোপ, খা থংব আমেরিকা অমদি আস্ত্রেলিয়ান য়ুসিংগী ময়ায় মাংহনথিদনব পাম্বৈদ সিজিন্নব এদিতিভ-- সাইত্রিক এসিদ।

(viii) অঙাংব য়ু কুইন থম্ব য়াহন্নব হাপ্প এদিত্তিভ--ভেঙ্গিন।

(ix) অঙাংব যুগী মচু সঙনব সিজিন্নব এদিত্তিভ--পোতাসিয়ম ফেরোসিয়ানাইদ।

(x) য়ুদ হ পকদব এসিদপু কেমিকেলাইজ তৌননব সিজিন্নব পোৎচাক--মেতারতারতিক এসিদ অমসুং পোতাসিয়ম বাইতারত্রেৎ।

(xi) কেলসিয়মপু কেমিকেলাইজ তৌব অমদি এসিদিফিকেসন্দ পাম্বে ঙইন সিজিন্নব এদিত্তিভ--তারতারিক এসিদ।

(xii) সলফাইদকী চাং হন্থহনবদ সিজিন্নব এদিত্তিভ--কোপর সলফেৎ, সিলভর ক্লোরাইদ, সে দিয়ম ৎেজ কেসন (পোজিতিভলি চার্জদ আইওন) অসিনচিংব।

(xiii) য়ু মচু দেংহন্নব এদিত্তিভসিং--চাব য়াব গেলেতাইন, আইজিংগ্লাস, কেসিন, পোতাসিয়ম কেসিনেৎ, স্তরজন্স ইয়াব ব্লাদক্যাবেত্তানাইৎ, সিলিকোন দাইওক্সাইদ, কাউলিন, তেঙ্গিন অমসুং পেকাতোলাইতিক এনজাইমস।

হায়রিব মথক্কী যোরেন লিকর সুংসদ হাপচিল্লিব পোৎচাবসিং অসি মীওইবগী হকচাং ফনবগী রাখলদ য়াওহনব নত্তে। সুপ্নগী ১২৫ চংদন মসক ফজহন্নব, মমল হেনগৎনবা মচু সঙনব, সেন্দোং য়াম্ম যংদবা ঙক্কব পোং কয়াগী মহুৎ অহোংব পোৎন সিন্দোকপ য়ানব, কুইনহনবা যানব, মনম মুংসিহন্নব--অহোঙব পাম্বগীদমক্তনি। এদিত্তিভ অসি নৌখ্রব থোংখ্রগা, থবক স্নুদবদগী সাজেস তৌদবদগী মপাঙ্গল সেহ্নব চাকথাউ অসিদ মৈন চাকপশুম চাকথেকহনবগ লোয়নন লুম্মিৎ খুদিং মুংঙাইব তাল্লিবনি থন্দুন থকচিল্লবনিকো হায়বসি কংলৈচাসিংন নিংসিংব মতম য়োরে।

## ঈনাৎ ম ঙহল্লগে খল্লবরা ?

ঈমান ঐগীদমক থু মিন ফুংসিননীব ঈমাগী সেনশাউদগী সেল হুরাল্লগ ঐদি মুংঙাইশনি খল্লব, মহাক লৈরমত্রবদ ঈমা কৌজব ফংল-রোইদব ঐগীভ খনজহন পুন্সি হিংজরিব ঈমাবু তু'জফাওব ফুগনি হায়-হন খা চিক্তুন ঈমাবু ইনথুব ঙম্লগ ঐ অঙম্বনি খল্লব অথৌব অহু অউব মীনদি নোক্লিবনি হায়বসি ঐখোয় খঙকম থোকই। খায়নদি সাগৈ ফরগ, লাইরিক খর হৈরগ মীয়াম্বু হোইহুন পুব য়াগনি খল্লম্বম্ব য়াই। ঙদিগী কংলৈপাক অদি দ লাইরিক হৈব ঙাক্ত ঙাইরবনি, সাগৈ জাংকী মল্লব রাখল লৈত্রবনি।

মনিপুরী সাহিত্য পরিসদকী য়াইতোংব রাজ কুমার ঝলঝিং সম্ব্রান মীতৈ ময়েক চংনবিসি চংনচম্মনব ঙম্লব মথৈ য়েংকনি নংযহুন লখিপুরদ ফমথিব পরিসদকী মীফমদ ফোংদোকপিখিন্দ হপানাং ঈপুনাংপু অম্বক থিন মুথৎপিনিংবগী পুকচেল চেনবীহিবসিবু ঈপা ঈপুসিংহুন স্নথ্বাদ করি লংকথিব লৈবননো হংনরি। ঈম বু ঈপাবু মনম ভংত্রিব কাওব ফুংনি লাউথোকপ ঙম্ব মচা মুপা অম ন রক্রবদি মমাবু ওহেক্ত পিংজব মমাবু খরায়দগী হেম্ন মুংসিজব নপারি মমোমসিংস্নু লৈরি হায়বসি খঙনরিব ঙাক্তনি।

ঈনাৎ মাঙহল্লগে খল্লবরা ? +

খ্বায়দগী কিনরিব য়ুগী পোৎচাক সলফর দাইওক্সাইদ -- ইউরোপকী পার্লিয়ামেন্ত হাউসনিংদ লৈগুরোয় ওইন থো পুরিব ফন্নাইব কয়ান ফোরেন লিকরদ বেক্তুরিয়া থংনবনি হায়দুন শিজিন্নরিব 'সলফর দাইওক্সাইদ' হায়ব এদিতিভ অসিগী মতাংদ সীংনদুন রা থাক কয়া পুথংখ্রবনি। ১৯৮৩ দদি ইউরোপিয়ান পার্লিয়ামেন্ত কয়াদ 'সলফর দাইওক্সাইদ' অসি য়ু সুংবদ হাপ্প থিংনবগী নৈনব কয়া থোকখি। নৈনবসিং অদুদ -- এদিতিভ অসিন য়ু থক্লিব মী অদুদ কোক চিকপগী লায়না থোকহনব অমদি মসিন মীওইবদ য়াওজব ভিতামিন বিগী সরুকসিং মাঙহল্লকপগী অমাওবসিং পুথাক্লখি।

য়ুগী এক্সপার্ত' ব্রুস সিলভর গ্রদ হৌজিক হৌজিক আমেরিকাগী CSPI গী লিগেল দাইরেক্তর ওইরিব অসিগী এনালাইসিস অমদসু সলফর দাইওক্সাইদন মীওইবদ এল্লরজিক ওইবগী অনাব মথল কয়া থোরকপগী খুদং কয়া পিরি। এজমাগী ল যনা হৌংলবগী হু ৈদাক অমসু এদিতিভ অসিন তসেংন ওই হায়বগী খুদমসু ব্রুস সিলভরগ্রেদন উংখ্রে।

অতৈসু অদুমগুই -- অতৈ এদিতিভসিং কয়া ইউরোপিয়ান লো কোর্ত কয়াদ কাখ্রবনি বি, পি, রাংখত্রুন থোকহল্লিব খুদোংথিব কয়া, ঈগী ঈচেলদ কায়হল্লকপগী খুদোংথিব কয়া, মীওই কয়া অমন মসা মসাগ যেনমৌনব থোকপ (এল্লরজিক ওইব) এদিতিভ কয়া য়াওবদগী অরাব নংবগী খুদম কয়া-- এদিতিভসিং অসি য়ু সুংবদ সি জন্নবদগী ওইহল্লকপসিং CSPI না লো কোর্তা পিব চেরেলদ য়াওরি।

ফোরেন লিকর সেল য়াম্ন পিহুন লৈ হায়বদি যাই। ফোরেন লিকরদি কৈ, হকচাং সোক্তে হায়রবদি-- মহাক অদু চৎনব য়াজব মীনি।*

## চীন-কাংজৈ

( হৌদোং লম্বোইব-পেবেং )

হৌ : পেবেং এরী ঈসক ঈতৌসিবু কয়ামুক্তি ফজবগে

পে : অয়ো-য়ো ঈবুংঙো বায়কী তয়াদ অঙাংব য়াইরী পরেং অচুম-বমুক হেক ফজৈরে।

হৌ : ভালো ভালো ঈসক ঈতৌগ ঈগুনগ

পে : তা লম্বোই মীতৈলোল চাওখংহনগে হায়রবদি সংসক্রিং ভাসান মমিং কৌগদং নত্রাও ?

হৌ : মানি মানি পেবেং, নংদি যাম্নবু গ্যান তারম্মিনে। অদুবু অমনি লাক্লেনহৈ, মীতৈলোল হায়রোইদবনি 'মনিপুরী ভাসা' হায়-গদবনিনে। মনিপুরী ভাসা সমর্থন তৌগে হায়রবদি সস্থান লিংখৎপদ 'মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ' "সাহিত্য প্রেমি সমিতি" হায়বনচিংব থোনগদবনি।

পে : মহাভারতকী মনিপুর অদুদি সংসক্রিৎ ভাসা ঙা লম্মী হায়রিবনিন ঈমালোন অসিগী মাহৈ পুম্নমক মুৎথংলগ সংসক্রিং ঙাক্তন মহুৎ সিনজিনব পুম্নোই হেক লোইবদ মনিপুরী ভাসা চাওখৎপ পুম্নোই লোইদৌরিব নত্রাও ?

হৌ : চুম্মী চুম্মী বহিন, মীতৈলোল পুংমুৎ হেক মুৎন্দ মনিপুরী ভাসা চাওখৎপদ থেংলবনি। নচা নমু পোক্রকপদ অমত্ত মীতৈলোনগী মিং থোলুমুকো সনখিং, তিলকেতন, চিন্নকান্ত, সিংহ, দেবী, গোত্র ফজব ফজব সুন্দরনামসিং অসি অভ্যাস তৌরগদবনি।

পে : অচুম্বনি বিল্লি মোক্ক, মনিপুরী ভাসা ওইনা মুথংলগন মীতৈলোল, কংলৈলোলনি চাওখৎকদব ওইরি-ননে। অদুদি কংলৈলোলদ মিং হেংদোক্লসি।

হৌ : এ জিম্রিদ চৎজে পেবেং, মথং থাদ'মুক লাক্লগে। +



নহা়বোলগী লাতম

# AIDS লাইনাগী থৌদব য়াদবসিং

—থোংজাম নিংথোজা ভাস্কর ইবী।

মালেমগী মীওইবা খুদিংমকপু AIDS লায়নান কিহল্লে। মরম অদুনা World Health Organisation না (WHO না) মীপুম খুদিংনা থৌদব যাদ্রবা লায়না অসিগী লৌসিং খবর লাউথোকখ্রে। WHO না থৌজল্লিবা লৌসিং অমদি কাংলৈথাবগী থিজিন হুমজিনবগী সরুকসিং পুন্সিল্লগা অতেনবা মওংদা থৌদব যাদ্রবা য়ারোল খরা মতাং অসিদা হাপ্চরি।

AIDS হায়বসি করিনো?

AIDS হায়বসি Acquir.d Immune Def c cncy Syndrome হায়বনি।

AIDS লাইনা করম্না ওই?

AIDS লায়না অসি Huma Immuno Def c ency Virus (HIV) কৌবা মীওইবগী হকচাংদা চংশিনবা লায়না কয়া ঙাক্থোকচবা ঙম্বগী পাঙ্গল মাঙহনবা এজেন্ট অমনা পোকহনবা লায়না অমনি। লুরিবদি HIV অসি পঙ্কবা মী অমনা লায়না অসি লৈরে খঙবসি চাহ ৫ রোমগী মতুংদা ওই। মতম হেল্লবা তাংকক্ত থঙলকই।

## AIDS লায়না অসি করম্ন কলসিল্লকই ?

(i) কাংলোল্লোয়সিংন (সাইন্তিস্তসিংন) থিজিনবদগী খঙলে। AIDS কী ভাইরস অসিন লায়না কয়া ভাকথোকপ ওস্ব হকচাংগী লানমী কয়া পোক্লিব সেলসিং অসিগী পোকথোকপ ভমহল্লিব কল্লাং-লোন ( জিনেত্তিক স্ত্রকচর ) অসি মওং হোংহল্লকই।

(ii) লায়নাসিং ভাকদৌরিব হকচাংগী মপাঙ্গল সোম্থহল্লকপ মরম্ন অতৈ লায়না কয়া হকচাংদ মহুম সাজিল্লকই।

(iii) মসা ভাকথোক্লবগী পাঙ্গল য়াওরক্লব মতমদ খ্বাইদগী হেন্ন শক্লকদব লায়না ২ থক্তি নিউমোনিয়া মথল ১ অমশুং কেন্সর (ল.ইরেল স জক) মথল ১ গনি।

নিউমোনিয়া মথল – AIDS লায়না পক্লব মতমদ অনাবসিংবু খ্বাইদগী হাংলিব অসি নিউমোনিয়া মথল অসিনি। ইনা নারোষ্টদব মঁদ AIDS পকপদগী নমহুন নাহল্লকপনি। নিউমোনিয়া মথল অসি পেংাসাইৎ ১ না মীওইবগী থবোথীদ (লংসভা) লান্দারকপদগী ওই-হল্লকপনি। পেরাসাইৎ অসি হকচাংগী কল্লাং ককথক্তুন সিন্দোক সিনজিন তেংবগী ওপরেসন তৌগ্রব অনাব অমন হীদাক মথল থর চাবদগী হকচাংদ য়াওরকপ অমদি কেন্সরন নাব মীতদ অল্লাম্ব মতমদ ফংব এজেন্ত অমনি। পেরাসাইৎ অসিন থবোথীদ সোকহল্লকপদ AIDS লায়না লৈরব অমগী পুক্সিদ অমুক করকপগী লাইপক লৈগন্দে। AIDS ন হাংলিব মী অল্লাম্ব মসিন লোইহনখিব ওংক্তনি।

কেনসর মথল AIDS কী অনাব অমদ নাগল্লিব কেন্সর মথল অসি ঈ উতোংগী (ব্লদ ভেসেলগী) ফিবান্দ পোরকপ ত্যুমর (লাইরেন সজিক মথল ১) মথল ১ নি। AIDS লাযনা থোরক্লিভৈদ পংথউ খঙনরম্ব কেন্সর নত্তে। অদুগ AIDS ন নাদব মীদি কেন্সর

মথল্ অসি থুদোংথিব ১ থক ওইগনে। AIDS লৈরবদি ফ্যাক্স অদোম মীবু সিহল্লি।

## HIV লৈবগা AIDS নাবরা ?

HIV ভাইরস অসি হকচাংদ হেক চংহল্লে লৈবগা AIDS ন নাবা নত্তে। চহি ৫ গী মমুংদ ১০০ দ ১০ দগী ৩০ ফাওবদং HIV লৈবনা AIDS নাবগী থুদম ফংই। চহি ৫ গী মতুং তারকপ চহি ৬-৭-৮-৯-১০ অসুম হেনগৎলকপা থুদিংগী ১০০ দ ১০-৩০ ওইরবদগী চাগী চাংচৎ হেনগৎলকই। ১০০ দ ১০০ AIDS ন নাদব য়াই। অদুবু HIV অসি লৈত্রবদি পুন্সিচুপ্পগী ওই।

## HIV করমন সন্দোকই ?

Human Immuno Deficiency Virus (HIV) অসি মওং কয়াদ অমদগী অমদ সন্দোকই।

(i) নুপীগ নুপাগ ফমদিন্নব অমসুং নুপাগ নুপাগ ফমদিন্নব HIV অসি লৈরবদি নুপীগ নুপাগ ফমদিন্নব মতমদ নুপাদগী নুপীদ লোই নত্রগ নুপীদগী নুপাদ লোই। মরমদি HIV অসি লৈরব নুপাগী ফম্বীদ (সিমেন্দ) ভাইরস অসি য়াওই, নুপীদ লৈত্রগ ভাইরস অসি নুপাগ ফমদিন্নব মতমদ নুপীচুগী হকচাংচুদগী খোরকপ মহী অদুদ য়াওরকই। অসুম নুপাগী ফম্বীদ নুপীগী নাউকমগী থোংদ নত্রগ নাউকমদ ফমদিন্নব লোইরগ মতম খর লৈবদগী নুপাদগী নুপীদ HIV অসি লোই। নুপীগী থোংগী মহী অচুন নুপাচুগী হকচাংদ লৈবা অমদি ঈনিংথোংগী মথুংদ চংখিবমগী HIV অসি লোনৈ।

অতোপ্প অমন নুপাগ নুপাগ ফমদিন্নব (হোমোসেক্সচুয়েল) অসিনি। নুপীগী রাখল চেনব হোমোসেক্সচুয়েলগী ওইদবা লৈবা (ঐখোয়গী লৈবাক মতাংদা খঙনরিব কেস) নুপাগ অতোপ্প নুপা ১গা অমাংথোংদুদ

## ঈমালোন নৈনরসি
(অরি-অনৌ চৎমিন্নরসম্ব)

থিলেন — করিগুম্ব লৌসিংগী হিরমসিংদ নৈনব, থিজিনবগী থবকপু থিলেন কৌই। হৌরকপ, মকোক ওইব মাপী মরমদ ইব লাই-রিকপু 'বাকোকলোল থিলেন' কৌই। ইংরেজি মাহৈদ 'ব্লিসার্ন', অদি হায়বগী মাহৈত্রোক্লি।

ফাথিবা — হিরম থরদ থিজিন হুমজিনবগী থবক তৌব অমদি হিরম অমগী অথও অহৈবু ক'ললোল অরিবদ 'ফাথিবা' হায়ন থওনৈ। 'কংলৈতা ফাথিবনা অম্তুম সিংথানয়ে' অসিনচিংব সিজিন্নরম্মী।

চিংউলোন — মাখলগী মওাম্ব কয়া, অমাপ-অনক কয়া চিংসিন্দুন উব ওমহন্নিব কাংলান অহুবু চিংউলোন হায়ন থওনৈ। চিংউলোন থওব অমদি চৎপ অথও অহৈবু 'চিংউ' 'চিংও' অম্তুম থওনৈ। 'চিংউ খোংনাংথাবা' 'চিংউ মায়চৌ' অম্তুম অরিব লোলদ চৎনরম্মী।

### অরিবদগী অনৌব লোলদ হন্দোকপ

(i) ভাউজিং অসিদি ঈমোম সানম ওাইথিংতোনগীনে।
হৈরাং অসিদি ইচা মুপী ইতোন তোনবীগীনি।

(ii) সিন্দবা থৈবীক্তি উনবী খোইথৈ তানা মাইচিল কৈএ।
মহৈ ভব খুদিংদ পুক্লিং চংন ফাউদনব হোৎনপদবনি।

(iii) কোংথৈ অতাম্বদগী হলবাইবদা খোম্লিং তেংলওনে।
অথাম্ম লমদগী হন্নকপদ ঈসিং খোরাংবেন খেংলে।

(iv) মুবা মপিংওাদি সমচু লৈবায়নবা মলেমে।
মুপীবচা অনি অহুদি মাম্ম চাম্নব মতাম্মোম ওাকনি। +

সিজিন্নব য়াব মকমসিংদ ফমদিন্নবনু খুঙনব কেসসিং অসিবুনি। অসি-গুম মুপাগ মুপাগ কমদিন্নব অসিদ মুপাহুগী কন্নীন অতোপ্প মুপাহুগী হকচাংদ চংখিবদ নত্রগ হোমোসেক্সচুয়েল লৈব মুপা অহুদগী লৌরকপ HIV অসিন AIDS লায়না সন্দোকহল্লি।

(ii) ঈদ লৌনব — HIV লৈবব মী অমদগী ঈ লৌরগ লৈতব মী অমদ কাপ্প মতমদ AIDS লায়না লৌনরকই। মরমদি HIV অসি মুপাগী কন্না, মুপীগী কন্না অমদি ঈদন খ্রাইদগী হেন্ন চানব লৈফম-সিংনি। এক্সিদেন্ত থোকপগী, ওপরেসন তৌবগী, ঈ য়াংপগী, অনাব মখল কয়াগী, অঙাং উন্নবগী থৌথোক কয়াগী অমদি চাং নাইন ঈ কাপকনব অমুম সোম্বকপগী ভাংকক কয়াদ লৌনন্নিব ঈদ ভাইরস অসি য়াওহুন অতোপ্পসিংগী হকচাংদ চংখি।

(iii) য়েতুম তিন্নবদগী লৌনব — মন্নাম অসি ঈনং মতুবদ লাকয়ন. নস'সিংন কাপ্লিব হীদাক কাপ্পগী য়েতুম অসিন HIV লৈবব অমদ কাপ্পুরগ অতোপ্প অমদ কাপ্পুব মতমদ HIV অসি লৌনরকই। অগ কাপ্পুন ময়াম কারবসিংন য়েতুম অমন মী কয়া অমুক্তম কাপ্পহুন AIDS লাইনা অসি ভোয়ন সন্দোকই।

মমাদগী মচাদ লৌব — HIV ভাইরস লৈবব মমা ওইবী নুপী অমন মীরোনব মতমদ অঙাংহুদ AIDS লায়না অসি সন্দোকপ ঙম্মী। অঙাং পোকপগী থৌরমদমু সন্দোকপ ঙমই। HIV অসি পোক্লব মতুং মতম খর লৈরগসু মমাদগী মচাদ চংখিব য়াই। মরমদি হকচাংগী ঈ মপান থোকপ মতমনি, অঙাং মদাদমু থোইবীস ককপগী অমদি দাকক্ষম মচা কয়া লৈবগী থৌদোক লৈতব নত্তে।

মসিগী মথক্ত মমাগী থোমদ HIV ভাইরস অসি য়াওরগ থোম অমা থম্লিব অঙাং অহুদ AIDS লায়না অসি সন্দোকপ ঙম্মী।

AIDS সুন্ধোক্লোইরবর মমনবসিং

AIDS ফী ভাইরস অমি য়াম্ন লৌনপনবা ওইতুনমু অতৈ লায়না ফী লৌনগনব লমীসিংদদি লৌনদে। মমিন AIDS লায়নাগী তোপংতক্ল সক্তমি।

চামিয়ব থকমিয়বদগী AIDS লৌনদে। কোম অমত্তদ ঈসিং থকমিয়বদ লায়নাগি লৌনব ঙমদে। অমাংসংদ, ঈরুজকমদ অমদি কুমহৈ য়েংমিয়ব গাী তোংমিয়বদ থক AIDS লায়না লৌনদে। ফমুং অমৈত্তদ তুমিয়ব অমদি AIDS পব্রব মী অমন অচা অথক পায়ব সেম সাবিদ থক লৌনদে। তিনবান্দ চুপ্পব, থজাইদ অমদি অতৈ হকচাংগী সক্তক চুম্নবচিংবদসীম্ম AIDS লায়না সন্ধোক্ত। তোপতোপ্প অমব মী চিকপ কাং হক্তিবচিংব অতৈ লায়না কয়া সন্ধোক্তিব তিলসিং অসিন চিকপদদি AIDS লায়না সন্ধোকপ ঙমদে।

AIDS করমন চংহল্লোইদগে ?

(i) মুপাসিংন ওক্তবীসিংগ কমদিঙ্গরোইদবনি, মরমদি মুপা য়াম্ন কমদিগ্গবী মুপীসিংন HIV লৈগল্লি। মুপীসিংন মুপা মসীং য়াম্ন কম-দিয়রোইদবনি অমসুং মকম থঙদব মুপাসিংগ কমদিয়রোইদবনি।

(ii) কোই কাপ্পবগী য়েক অমসুং য়েজর অমম তিমরোইদবনি।

(iii) চীন-মী সেংনবি তুথ ব্রস অমদি উনা সোকহনব ঙব থুংলাই-সিং পুন্ন-সিজিন্নবোইদবনি।

(iv) হীৱাক কাপ্পগী য়েতুম সিজিন্নহন ময়াম্ন কাব হরোইরচিংব কাপমিয়রোইদবনি অমসুং অনাব লায়রেংনবগী য়েতুমসিং কাপ্প লোইব অমদি কাপ্পমদাইদ নিংথিন মহীক হাংনবগী পাথৈ সিজিন্নগদবনি।

(iv) চায়রেং তোঙন তসেং তসেংনব ঈ মতম হকচাংদ ঈ কাম্নোই-দবনি।

## লাইবক থিজ্জন AIDS শক্লবদি করি তৌগনি ?

(i) AIDS লৈরে হেক থজবগ কমদিরগদব মুপী নত্রগ মুপাহল্ল উহান হায় খঙহনগদবনি। কমদিরগে হায়হ্মন কোনলোম সিজিন-গদবনি। মুপী অমমুং মুপাগী কপী ২ অহু মহুদনব পাৰৈ হায় নৌরাং তৌহৌগদবনি।

(ii) মীশাংগী ঈ নত্রগ কপী অতোপ্পন সিজিন্নবগী পিথোকপ থক তৌরোইদবনি।

(iii) AIDS লৈরব মমাদি য়াদিরখ্রৈ মীয়োমহল্লোইদবনি। মরমদি মীয়োল্লিব অঙাং অহু ১০০ দ ৫০ দি AIDS শক্লগনি হায়বগী চিংনব লৈরবনি।


(iv) হীদাক ওইন Azidothymidi e (AZT) কংবব অমদি সিজিন্নব হোৎনগদবনি। নৌন ভাইরসকী কাংলোকলোয়সিংন পুথোকপ AIDS লায়নাদ কাটৈ তায়ন থুদম থন কংলব হীদাক ১ পুথোক্লিবনি মংব ওয়নব হোৎনগদবনি।

(v) চাব থকপ চিজ কী অকব কাংলোন অব লেমহন হুৎচাংদ চট ওইগদব মওংদদ চিনজাক চাগদবনি।

(vi) পুক্লিং মুংওাইন, অকুব থাথলত থল্লুনে পুক্লিংগী চিংনব অদিব লৈহল্লনব হোৎনগদবনি।

## কাউরোইদব অরোইব থাকম

কাউরোইদব অরোইব থাকম অমদি অসিনি — 'HIV লৈরগ মী মহু হেক্ত AIDS লায়না লাক্লগদব নত্তে। পুক্লিচুপপ HIV লৈব লোন AIDS লায়না ওইরক্তব থুদম য়ায় লৈ। অমরোমদ AIDS চৎলকদব নৌ পুন্নমক অমত্ত তৌবিদব ওয়া। মসি ওাকপ অমাইব থবরি। ঙন-দুক লায়না ওইহনবা চংহু চংহত্রবদি করিমত্ত চিংনচিংঙাই ওইদে।'



পুয়া নৈনব লাতম।

## লৈরোন ৭

লৈরোইরেনবং
সলাই পুস্তিকম

লৈরোন ১৪ হায়বসি পুয়াগী লাতম লেয়ামকনদ তহন থেংনরকরি। লৈখারোন ৭ নোংলোন ৭ হায়বসি তোয়ন হায়নব য়াফদ্রি। অচুবু মসক লেংন মমিং খঙন নৈনবগী থাক্তি অসি ফাওবদ তৌনদ্রি। মমিংলিং অমুক্তং পুয়াশিংদগী ফংলবস্ম লৈরোন ৭ হায়বন করিনো, নোংলোন ৭ হায়বন করিনো নৈনদ্রি। মরম অচুন পুয়াগী অহকপ য়ারোনশিং অসি নৈনব হৌগংপ মুংড়াইনব য়াহৌথোক অমতংদি নৈনবা চুয়। মতাং অসিদ লৈরোন ৭ কী মতাং পনজমকে।

লৈরোন ৭ কদাইদ য়াউই — লৈরোন ৭ কী য়াফম অসি লৈসেম্রকপগী মতাংগ [illegible] য়াফদ্রি। মরম অচুন লৈরোন মশাং মুং নৈনবা অয়ুবদি লৈসেমলোন ইব পুয়াশিংদ য়েংগনি মুং অমমুং পানগী মরক ২ মুন নৈনব তারগনু সমথকপ অত্তে পুয়াশিং নৈনদনি।

[illegible] লৈসেমলোন করিগা [illegible] পুথিক লৈখাদ্রবা [illegible] লৈসেম্রকপগী য়াবী [illegible] লৈরোন [illegible] নৈনব য়াওরি [illegible] নরিবন মুং য়াত নত্তব পানগী লৈরোন ৭ কী মমিং মখা পিহুন তারি।

মনুংগী লৈরোন অরেং — মনুংগী ওইবা লৈরোন অসিংথাবদা লৈশেমলোন অরিব ইব পুয়াসিংদ মখিং অমা পাই। অমিং অসি অমিন্না মকম অমা লৈ — মনুংগী মকম অসিদা অসিবু খঙনবা লৈরোন মতোল ফাওনা খংবা ঙমগনি। লৈশেমলোনগী মাথক্তা ইব পুয়াসিংদ ময়াগী লৈরোন অসি পাই —

(i) পোংলৈ-কোন

(ii) খমনুং-কোন

(iii) লৈনুং-কোন

(iv) মালৈ-কোন

(v) মালেং-কোন

(vi) লৈখা-কোন অমমুং

(vii) খমলৈ-কোন।

লৈখারোন মরোন অসি মীওইবগী হকচাং কয়াৎ মুং দগী লৈ। মালেম লৈমগী লৈরোন্না লৈ। লাইনিং লম্বী তাবগী মতম শিরবা মতমদ মশাং মথং নেমবা খিবগী লৈখা তাখিসনবা মরোন অসি অহুবুম লৈরোল অসি কৌই। অদুন মনুংগী পানগী লৈরোন হীং লেপ্পমিবনি।

পানগী লৈরোন অরেং — মপানোংগী লৈরোন অসি হায়বদি খাংনবা লৈরোন ইব পুয়াসিংদ মখাগী অমা মখিং লৌজি —

(i) লৈচিল্লোন

(ii) লৈথমলোন

(iii) থোংলোন

(iv) মৈহৌলোন


(v) লৈশিংলোন-চীথলোন

(vi) লৈরাইলোন অমমুং

(vii) রামরাইলোন।

মপাকপী লৈরোন্নসিং অসিদি মালেম লৈমগী মসাদ য়াওজব লৈরীক-সিং অসিগী মথোন মরোনবু ওইন কোমদোকই। মালেমগী লৈমায়বু লোমতুন-লৈরিব লৈচিদ নোংকাইগী ফুয়েম অসিবুস্ত লৈরোন ১ ওইন লৌরি। লৈসা হেক থেংনকমদ লৈরিব লৈরোন সকউব অসিবু লৈথম-লোন হায়তুন সীংথারি। সনা, রুপা, থাউনচিংব কয়া—য়োং মুও কয়াগী কংকম থোং ওইন মালেমগী লৈসাফুংদ লৈরিব লৈরোন অসি থোংলোন হায়ন সীংথারি। মালেমগী ময়াদ চবুক তম কুমথখিবদ অহানব থেংন-গদব লৈসা কাওব লৈরোন অসিবুন মৈতৌলোন হায়ন সীংথারি। লৈপি পুম্নমক মহি চেনখ্রব, মৈসা অতুন লৈপিবু মৈ মহীগুম চেল্লব, মহী অতুন চাং কয়া মালেমগী লৈরোন কয়া হোগায়তুন সেমজিব, পোৎ পুম্নমক তেমতুন মহীত ওইন উহল্লিব মালেমগী লৈরোন অহুবুন লৈপিতেম চৌংখুংলোন হায়ন সীংথারম্মী। মহী চেন্দুন মালেম লৈসা উত্রব মতুং হংচিন চংসিনখিতুন থল্লব লোইরব লৈবোন অহুবু থমরাইলোন হায়ন সীংথানরম্মী। খ্বাইদগী মতুং কুনাতিন মহীত ওইন পিকসিন্ন মরাক মখুং চপসিন্ন ময়াম চবুক লোন্দুন লৈরিব লৈরোন অহু ওইতুনস্ত মথম অতুগী লোৎন অমুক পুম্নমক্ত ইত্তোং তোংসিন্নন ময়াম মরক্ত হজৎ হন্দা ভিন্নতুন রায়তুন লৈথি। মসিন অরোয়ব হায়বহু ওইরে, মসিন থামরাইলোন কোঠুন থনম্মী।

লৈনব সরুক — লৈরোন ৭ হায়বসি মুংগী লৈরোন্দগ্ন লৈনকম চাউন লৈ। পানগী লৈরোন্দসু লৈনকম চাউন লৈ। মুংগী লৈরোন ৭ অসিন পানগী লৈরোন্দগীদি অমুক হেন্না কুপ্পী। মুংগী লৈরোন অসিদি দ ইনিং লখীগ য়ায় মরী লৈনৈ। লাইনাং লথীদ নেম্বগী নেম অসি লৈখাতাব কৌই। লৈখা তাব হায়ব অসিন পুক্লিগী অনেম থাকসিংবু থগৈ। রাথল লৈতব, কাংলম নাইদন চংপ পুক্লি অমন ঈপাদগী পুরোন ৭ ঈমাদগী পুরোন ৭ লৈখা তাব সীংদ চনখ্রে। লৈখা তাব হায়ব অসি লৈখ্রবদি পুক্লিগী অমঙন থল্লব, মঙাল কংত্রব, য়ায়, ভোনখ্রব থাকসিং অহুদ চংসিনখ্রে। লৈখা তাদনব হিংলিতৌগী, পুক্লি মাইনিং লখী হাই-হুন থবোরল্লিব অসিনি। অহুনসি পুম্না লৈনব হায়বফিম মঙালগী লখীদ চিংথৎসি হায়নবিব অসি।




## মুৎসিল্লক্রব কাংলোনসিং করম্ন হিংহন্নব হোৎনরকপগে ?

পুখোকচব —
সনাই কাংলোন সিন্দমসং।

'কংলৈপাকী মুংসিল্লক্রব মমল য়াম্লব কাংলোনসিং হায়বদি পুক্ন-রোন; চিংখৈরোন; চাকচা-ঈথক, য়াহিপ ফমফম, সাজেল-পুজেল, চিঙ্গাক কাংলোন য়ুম্বালোন, লাইনীং কাংলোন, পুক্নীং কাংলোন, থাং তা, মক্সা, হু মুল লাংলোন্নচিংব কয়া অসি কলহৌনবগীদমক চহি ২০ হেন্না মতম কাইথোকপিদুনা থিজিনব, উজা খনব লেপ্তুনা তৌবিরুব অমসুং হৌজিক হৌজিকমক পুন্সি কখোক্তুনা ইনাৎকীদমক অচোব থৌদাং লৌ-বিরিব সনাই কাংলোন সিন্দমসংগী সিনতাক পুরেল উজা কাংজীযাগ উনখ্রুন সিন্দমলোইসিংন হায়জবদগী মমল য়ামলব কাংলোনসিং অসি থিজিন্নরকপ, উজা খন্দুনা নৌহৌন পুথংলক্লব হোৎনরকপগী বারীসিং মতেক থরদং পাবীরিব মীয়ামদ সিন্দমলংনা মমাংগী চেক্লোংদ থমজখ্রে।


মথা অসিমু সিনতাক পুরেলন কাংলোনসিংগী উজাসিং মথং মথং উন্নহুন খোমজিন্নকপগী বারী মথা অমুক পাবিরিবসিংদ থমজরি — সলাই কাংলোন সিন্দমসং )

নাউচা থাব — ঐখোয়গী সিনতাক পুরেল উজাগী কাংলোন ময়াম থিজিন হুমজিনব হোৎনরকপগী বারী ময়াম অসি তাবদ পুক্নিংদ য়াম্ন নুংঙাইব হায়রকম খঙদব অম ফাওরে। মতাং অসিদ মুক্না হায়রব কাংলোন অসিগী পক্নিংদ মথা চৎথরকপগী বারী থজিক্তং তাজনিংই।

পাউন্তুম — মুক্লাগী কাংলোপশি য়াম্ন মরাং কাইন কংই। মরমদি ঐখোয়ন অত্তাং ওইরিবিদিং চহি ১গী মমুংদা থা ১দি য়াওশংগী ওইন লৈকায় ১গী লৈকায় অমগ য়াম্ন থাপ থাপ চত্তুন মুক্লা সীংনরকই। মকম মকম্দী মুক্লা লৈব অহল লমনশিংন অসোম অত্তাম সেমদোকপিয়কই, কর্জ কজব লৌ য়াম্ন তাকপিয়ন্নী। সীংনব চৎপ থুদিংগী লমজিংব ১/২ য়াওন চৎলি। হল্লকলগ অমুক ঔমাইনরকই। অতে মতমদন্তু পুন-সিন্ন-প্‌নসিল্লগ মুক্লা তম্নরকই।

মুক্লা সীংনব চৎপদ অম্মুম্ন লৈরক মপা মপাদ লাউই—
হরি হরি বোলা—হে হোরি
থাংজমলৈরক মচা মূক্লা সান্নসিকো—হোই হোই
কিগন্নকো—হোই হোই
চেনগন্নকো—হোই হোই
কম্নাক কোৎপী—দুখমকায়
সার মালা—উরিরৈ
গনধরাজা—চিংগোংলৈ
লোংখ্রৌন—দম দম
নিংগোংন--সেৎ সেৎ।

লাউরকপ অদি তারগ পল্লিব লৈকাই মপা অহুগী মুক্লারোয়সিং খোমজিন্দুন থোরকই। মুক্লা লম্পাক হায়তুন লৈকায় লৈকায়গী সান্নবুং লৈনরম্মী। মকম অহুদ অহল লমন য়াওন কি নিংথিন সেংনত্নন লাম্বা লাম্বা সিন্দুন সান্নৈ। লাম্বা সিন্নতুন সান্নবদ মাগী-মাগী কাংলুপকী মুক্লা থাবতুগী মখা লাম্বা পিব ওমত্রব মতমদ মুক্লা থোইব ওইনৈ। মসীং হেল্ল লাম্বা পিব ওমদব অথাব মুক্লারোয় য়াওব থুংপ্‌ অম্নন অথোইব থুংল নি হায়ন খঙনৈ।




সক্তম অসিদ উৎলিব অসিগ মরী লৈনব রারী মখা
মথং চেক্কোংদ ফংবিগ'ন।

---

লাউহ্নন ঙৈহাক লৈরবফাওবদ থোরক্ত্রবদি কিরে লাম্বা তৌব ঙমগ্রে হাযন লোহ্নন মখাগী অম্মুম্ন লাউহ্নন মথং লৈকায় নক্রগ লম অমদ অমুক চংলি।

হরিবোলা হে গোবি
থাংজম লৈরক মচা কিবেকো —হোই হোই
উি মখূন্দ লোৎখ্রেকো হোই গোই
— অসিনচিংব ॥

মতম অত্তুদদি মুক্সা ফব লৈকায় অহ্‌ য়াম্ন চাউথোকনিংঙাই ওইনরম্মী। ঐহাক্তি মমাংদ হাণ্ডথিব ঈমান থর তাকপিন্নকই হায়বত্ত থক্ত হৈরগ নমফুদ য়াম্ন সাম্নরকই। খুঙ্গংলোমদ থর হায়থখ্রবদি ঈমান থর তাকপিবত্তুতন নমফুদ সাম্নবুং ৮ লোমদ থর থারম্বত্তু য়ারক্তে। জো কুপ্ল কুপ্লব য়াম্ন থেংনরকই। অম্নুম্ন নোংমদি মীন য়াম্ন লায়ন ঐবু থাখি। মতুংদস্থ খুঙ্গংলোমদ চৎখ্রবদি ২রক অমম্ন মীন ৫রকী মত্তুংদ থাখি। অহদগী থর তমত্রবদি য়াম্রে হায়ত্তন লৈকায় লৈকায়গী অহৈব-লৈব লিবগী অতল ৭।৮ গীদ চৎলগ তমথৎপ হোই।



. চনু নোংলৈম - উজা পুরেম্ম মুক্কাগী উজাসিং থেংনবিরকপদ পুক্কিংদ থু ইদগী হেন্না কাউব ওম্বিখিদব অহল অ'স কনা?-১? থওজনিংই।

পাউখুম — অয়াম্ব মুক্ক উজাসিং অসি লৌ ম ম্নবনিন পংথেন খেন্নব উ দ। কয়াক কোংপিদ. লোংথুবৌদ. নিংগেংদ. থাদাংদ খোঙচেপ্প. চেপচিংদ, অনি কোংপিদ. থকাবীদ অমদি অতৈ লৌসিংগী মসা কয়া লোংন লৈখ্রিগ কাংলোন অয়াম্ব মান্নে। অদুবু মাল্লব লৌসিং অসিগী মরক্তগী উজা উজাদুগী হৈনবী মীন পাক একপ রাব অমমম অনিন্নিচি চেকসিন্ন পায়নৈ। খুদম ওইন উজা "লক্ষ্মনগী লোংথুবৌ" অস্মুম্ন উজা উজাগী হায়নবী লৈ। চান্নমক্কী লাইবুংদ সান্নব মুন্না সীংনবদ উজা লক্ষ্মনগী লোংথুবৌ য়েংননব অথাম্প মক্কমদ চত্তুন ঐখোয়ন য়েংলকই। অস্মুম্ন মাগী মাগী হৈনবী লৈব উজা অসি মসীং যামখ্রে।

ঐহাক্ক কাউব হেক ওমখিদব মুক্কাগাউজাসিংদি যাম্ন থেংন থেংনখিব তৌবুলদ লৈব উজা থৌদাম ইবেতোম্বী অ'সনি।

কৈচা চাউবী — তৌবলগী উজা ইবেতোম্বীবু উজা পুরেলন করম তৌন থেংনবিরকখিবগে? অদুগ কাউব ওম্বিদব অসিন ক'ম্ন অথম্বব লৈবননো?

পাউখুম — তৌবুলগী উজা অসি উম্নরকখিবগী রারীদি—'হুলা সিন্দমসং' হায়দুন হৌজিক লৈরিবসি ঐহাক্ক ইহান হাম্ম সিনাম উজা দেবদ হৌদুন লিংথংখিবনি। মতমদুদ হুলা সিন্দমসংগী ইউনিৎ নম্বর

ফু (২মুব) অমমু ময়াং পুম্রি মপান ময়াদ কুনজমলিনী মমাং মংগোইদ থাঙলী-উজা-মুথ'গ তামহন্ন কাংলোকপ হৌরম্মী। কৈসামথোং ইউনিং (নম্বর ১) অমমুং ময়াং ইউনিং (নম্বর ২) মুসিগী মপ নব নৈনব [illegible] তৌবনী মতাংদ তৌবুলগী [illegible] [illegible]. [illegible] [illegible] [illegible] মুক্কা উজা অমুসিং ২মু য়াওথি।

অমুম নৈনব কাংলোন নৈনবগী মতাং কয়াদ তৌবুল উজা অফিনী ময়ামগ পুমখেন থেমব কাংলোন কয়া উব কংপি। হম হম মুক্কা হাত্রা লৌত্রব মমিং লৈরব উজা অসিন মুক্কা সাম্নবদ থৈ নম্ব, তীং-য়াং নম্ব, খুকউ খুপচিনব হাঁখব মুক্কাগী তৌদব য়াত্রব ফিখুম্নি হায়হন লৈরিবসিং অসি অমত্ত তৌবন তোম্ম সাম্নথোকপ-সু উথি। খোঙকসি লাওন কাবতোকপ, থোঙ নাম নাম কসি অমুক অমুক সিম্ন সিম্নর পে খথোক্ব লৈখেকপ, মী ময়াম মথং মথং সাম্নব য়ানবনি হায়দুন ফিথুপ থুগায়মপ পোখথোকপ অসিমচিংব অথজন মাম্নদবসিং অসি উজাসিক মসীং য়াম লৈ'গ্র। অদুদ ঐহাক য়াম মুংঙাইব অম ফাওখি।

য়াম মুংঙাইব অমম ঐহাক সরিং-সরাক তম্নকপ মতমদ অতৈ উজাসিংন ঐতোন্দ তম্বীরকপ সরিং সরাকী (মুক্কাদদি সিজিম্নব উদব) কাংলোন থরগু মুক্কা সাম্নবদ গোদ হাপ্তুন তৌবুল উজা অসিন নিংথিন সিজিম্নব উথি। সরিং সরাকী কাংলোনবু মুক্কাদ হজন হাপ্তুব সিজিম্নব উবদগী উজাগ মতম থম্ন কাম্নহাহুন অনৌব সরুকসিং অসি থঙহৌনদগী বাখল পাক্নিংদ কাওথি। অদুদগী অসংব মতমদ তৌবুলদস্থ চতুন উজাগী খুমাংদ কোম্নজবী ফংহৌই। তৌবুল উজাগী কা লোন অসিদি মুক্কাগী তাইবংদদি পুমতোপ তোম্ম অমানি হায়বদ চিংনব লৈরোই।

তৌবুল উজাগী অহল ওইরব হকচাংগী বিভাগ-ফিথুপ কয়াসু ঐন ফোংদ্ধ লৌহৌহন থম্নি। পীকা চমুরাসিংদ য়েংউ, অসিনি। (মতাং অসিন উজা পুরেনন তৌবুল উজাগী ফিথুপ কয়া কোতো কয়া পুথোকতুন উংপি। কোতোসিং অদুদগী মমেক থজিক্কং লেংগদব থম্ন থনগং-চমপ ঐখোয়গী ম্লোক সাম্নন চেকোংসিদ হাপচরিবসিদ মিংয়েং তাবীয়ু)।

হলা সিন্দমসং নম্বর ২ মুংসিদ ওরাইনখিবদ থাঙগী মমিং লৈরব তৈনিম্নব উঙাতুন্নকোগী মসু হুপা মতম্নুদ হলা সিন্দমসং নম্বর ২ শুংগী মুক্কা উজা ওইনসু পুম্নব উজা কনহাইসু য়াওথি। তৌবুল উজাগী তোপতোম অহু ময়াম পুম্নকী পুক্নিংদসু কাওনখিবগুম উই।



## মুপীগী লাতম

## পুন্সিরোন্দ জগোই

## সাব

—মুমংসেম্বম নিংথোল থোইবী লৈমা,

সিঙ্গাক্লোয় মলাই কাংলোন সিন্দমসং

কংলৈচাসিংগী রাখলোন্দ জগোই হায়ব অসি 'চক-কোই' অমসুং 'চক-কোই' হায়ব ৱাহৈসিংদগী থোরকখিবগী লৌখুল কংই। লৈ-চক, খা-চক, কোন-চক অমসুং লাং চক হায়রুন লৈরিব চক ৪ অসিদ ওই-রকখিব লৈসেম নোংসেম্বগী রাৱীবু সাথেক খুংথেক, খোঙ লান পুংলোন্দ পুথোক্লুন মাই হায়বগী চক-কোই দগী চকোই-জগোই অমুম্ব তারকখিব অসিন ভিখুল অমনি। চৎন কোয়ন, লেং ওক্লুন মাই হায়বগীসু চৎ-কোই চকোই জগোই অমুম্ব সিজিন্নরকখিবগী কাংলোম লৌখুল অমনি।

'অনোইরোন' কৌব পুরাদ সিজীম্নরিব 'নোইব' হায়ব ৱাহৈ অসিন জগোইবুসু থঙনৈ নোয়ন, থেক সাব কাংলোম্নি হায়বদগী জগোয় সাববু নোয়ব বেল্লই, নোইব হায়নসু থঙনৈ।

অঙন জগোই হায়বসিগ নোয়ব থেকপ, নৌব, লৈব, চৎপ, খোঙলোব, খুংলোন, খুংথেক, সাথেক, খোঙজোং, কোইরোই, পুংলোন হায়ব ৱাহৈসিংসিগ সাগোইন্নে মপাসিংগ অনোইরোন নৱুগ জগোই হায়বসি হকচাং কয়াংসিংগী লেং ওৎপগী পাক্লিংসিংনি হায়ব তাকই।

### কয়াংলোন অমসুং জগোই

জগোই হায়বসি হকচাংগী কয়াংলোনগ মরী লৈবে। কয়াংসিংবু কাংলোন নাইন সিজিন্নরুন হকচাংগী সিংলী নাউরী অমদি মকল (মসল)

কয়া হোৎলাকপগী থৌরম ওাক্তম জগোইগী মপুংনি। মরম অমুদি হকচাংগী কয়াংলোনগ জগোইগী খুৎথেক সাথেক সংগ ওংনা থানা য়াদব মরী লৈনৈ। জগোইগী সিজাকপ সিজাকপীসিংদা (সিজাক্রোয়সিংগী) হকচাংগী কয়াংলোনবু (এনাতোমিকী লৌসিংবু) চেকসিন নৈনরম্মদা নাইং হৈরাউবগী জগোইদা মরু ওইরিব "হকচাং সাগৎপ" হায়ব অমা পরিং নাইন হাপ্লিব অমিনম্ব কয়াংলোনগী লৌসিং (এনাতোমীগী লৌসিং) য়াওরি হায়ব ভাকই।

## জগোইগী সাজেলসিং

জগোইগী কাংলোনদা সাজেল চংই। খুঙেং নৌনব (ক্লেসিবিলিট লৈনব) খুজেং লৈবীবু সাজেল ওইন সাই। য়াংলেন খ্বাং-থবাক-পাম্বোম মরু-মাকলগী মকলসিং পুক্লিংগী সিংলীসিং মরিল তিংথোকব চিংথৈরোমি সাজেল সাম্মরম্মী। লৈন লৈন হোৎগংপ, সাথেক হাপ্লগ হকচাং নেমথব য়াংথংপ কয়াগী চিংথৈ থোংগাই সাজেল সাম্মরম্মী। থোঙজোংসি মী-দমক চিংথৈবোন কৈজোং সাম্মরম্মী। অচুম জগোই হায়রগ করমথ সাথেক খুৎথেক ময়াম পুথোক্লপ ইচম চম পরিং অম সেম্মবগী য়াকম নত্তে। জগোই হাংবসি চাউরব পুন্সিরোনগী কাংলোন কয়া য়াওরিব লৈরোং (আর্ত) অমনি।

মালেমসিদ চহি ৫০০ মুক সুন হিংলক্লব বেলে-জগোই ফ্রান্সকী লুইস-১৪ গী কোর্ত'কী কাদগী পোকখিবনি। য়োয়েল বেলেগী মখিং লৈরবা সিজাকপী মেরিয়োন লেনগী য়ারোলদ জগোইন হকচাং কয়াং-লিনবু মতৌং-লৈন থম্ব ওমবা খুদম কয়া পি। জগোইগী কাংলোনসিংদা হকচাংগী পাকপ পিব, মতিক চান হকচাংগী চুং-কিরাম চাহমব ওব পুন্সিরোম অম ওংলৈন পিব ওমগী হায়নিংঙাই লৈতব থায়বসিং পি। য়োয়েল বেলেগী মখিং লৈরব জগোইবোয় বেলোইস, ফ্রেদরিক এস্তোন অমসুং সিজাকলোয় বেয়া-ভোলকোভনচিংবগী হকচাংগী চুং-কিরাম

চাবগী থাক. অসি য়াম অথবা হৈ ইতিলিগী হওপেরা অমস্তুং হকচাং চানংকী সাজেলদা কয়া নীতি মজেংবা হৈকাবিতান হৈয়গী সাজেলসিংদগী আমেরিকা অসিমু মর্মসিদগী হৌরকবিখি যোর্দন দাসকা দিবকান-কাংবু কপ সেডদেনিস-কাংবু. মরুসে কসিংহাম আংপনচংবা আনৌব সাজেল ক্রয়াম্রম-হাপকংলকখি। সাজেলসিং অসিন হকচাংবু হাইমিডাই লৈতিন হৃতিক চাহুমি।

## নোংচুপকী সাজেলগী চাংদম্নব

খুকউ, খোংজেং, পাম্বাম মরু, নাক-যেং, ডক, থা পুক্নিং, য়াং, লম্, খুং, খুজেং, খুনিং অমসুং মিংলী নাউরীগী সাজেল কগা কংলৈ- চাসিংগী জগোইরোল অম ওইরদ চংবগুম. মালেমসিগী জগোইরোল পুম্নমক সিদ্ধিদ্রৈ বেলে দ্বালনচিংবদ (i) প্লাইজ (ii) পোর্ত দে ব্রাস অমসুং (iii) বেৎমেন্তস এন ক্লোক সাজেল ও অসি অহোৱদ্ম সাম্নৈ। (i) প্লাইজ সাজেলসিং অসিন ক্লাসিকেল দান্সকী মাথেক খুদিংবু চুমহুম্বব চংদব, যাত্রব কাংলোন অমনি। (ii) পোর্ত দে ব্রাস হায়্বব সাজেল মখল অসিন হকচাংগী চেনহম্বব, য়াংলেন মখিল তিংথোক্লব, কৈগল অমসুং নুকুব কয়াংসিং য়াংহন্নবনি। (iii) বেৎমেন্তস এন ক্লোক হায়্বব সাজেল অসিন নিংথৌ, যৈক অমুদ খুকউগী সন্ধ তাংসিং কোমথোকহন্নবনি।

আমেরিকাগী মাসাই দান্স কম্পোনিদদি ত্যুক এপ্রিংতনগী জগোই মানবগী ঈসৈ পরিংগ লোয়নন জগোই সাই। সাজেল ৯২ রোম মাসাই দান্স কম্পোনিগী থনগংলগ থম্মী। লৌতা ঈসৈ, লৌখাও ঈসৈ, লৌমোক ঈসৈ, নুংসি মুংওগী ঈসৈ, লাইচিং অখীগী ঈসৈ; অথুবগী অত্তগী, লয়া অনা, কাড্রোকপগী ঈসৈসিং কংলৈমবিংগী জগোইগ সাগোম্নব অসিগুম নোংচুপলোমগী জগোইদি অসিদম্বু হকচাং কবতা নক্তন পুক্নিংবুম হুংডাহম্নব লৈয়োং (আর্ত) হাম্মি। মৈত্র অদুগী কৌরোই নিংসিংলগ সাজেল সাম্বব অমুক হেন পুক্নিংগী ঈখিল পিব মরম হকচাংদ শীমব হেন্নি।

নোংচুপকী পাইনএপল দাল কাংলুপকী [illegible] বাল [illegible] সিংগী নাউরী তিংথোকপ অমদি কলাংসিংগী সাজেল ওাক চংথৈ। পাইনএপল মেথোদসিং অসি হৌজিক য়াম কম মমিং চংখংলক্রি। মখোয়গী জগোইরোয়সিং লোইন মদা মউ কৈ।

## বারোইসিন

কংলৈচাসিংগী জগোই ভারত থাক য়াম্ম রাংন লৈ। মালেমসিগী অতৈ লৈপাকসিংদ কংলৈ-জগোই য়াম মমিং লৈরব অমনি। মসিগী তোপ তোপ্প শকম লৈজৈ, মসিগী তোঙান তাব ফজবগী মহাউ য়াওজৈ। মরম অদুন ঈপ'নাং ঈপুদাংকী ওইব জগোইগ মমী লৈনব সাজেল পুজেল, হকচাং কয়াংলালসিং অসি জগোইগী লোয়নসিংদ থিগং হমগত্তুন অমুক হি'গংহন্নব তোংনবগী তঙাইফদন লৈ। জে. এন. দাস একাডেমিগী গৌরব জগোইগী কাংলুপ অতৈ অতৈ মরাম লৈদিবসিদ কংলৈচাসিংগী এইন জগোই-সাজেল কয়া অমি-নহাৎলাকখিদ মরমদুনা মপাঙ্গল কনখ্রুনব, তাং-নাং চুমহনব, মসা উইহনব অমদি চিংমিংগাই ওইনা হকচাং কব পুক্লিসিং ওইহনবগী কাংলোন তোঙাম লৈজৈ। সাজেলসিং মরি খাঙ্দিবত নত্তন সাজেল সাঙ্গয়বদি জগোইরোয়সিং অফবা তুং ফোইব যারয়োই।

কংলৈপাক [illegible] চংনবগুম অমত্তুং ওাসগী মালেমসিগী মফম কয়াদ চংবদ্রিব [illegible] ওসিগী কংলৈপাকী জগোইসিংদসু পুক্নি-থোনগী য়াথল হাপকদবনি। সাজেলগী পরিংসি নিংথীনা থিজিন হাম্নজিন্দুম হাপকদবনি। মত্রংদি মমল য়াম্মদুনা কন্নবা কংলৈপাকী জগোই খুং-থেকসিং অসি ঐথোয়গী হকচাংন মতিক চাদবদগী থাক হত্থহনবগী মচুক ওইরগদ য়াই। [illegible] মিদা [illegible] ওইন জগোই [illegible]বসিংমু জগোইগী কাংলোন কয়া [illegible] সাজেলসিং [illegible] হাপ্লবদি [illegible] কংলৈচাসিংদি তুগী মুপা নত্রা অইন খাজন মীপুম খুদিং জগোই হৈরগা, [illegible] তোংলগা, শাইগোঁ তোংব ওাওবগী। ওসিদু পুক্নিরোনবগী সরুক অহ্ নাওরবদি মীপুম খুদিং ভরদ কাময় সংগদবনি। +

# চে-ইগী লাতম

## খোরিলাংবদ ইরকপ

চে-ই অম

হুংসিজরব খোরিলাংব

কংলৈখোলগী য়ারেং কয়াদ 'পুক্লিং কাংলোম' হায়ব স ভোয়ন খেনজৈ। পুক্লিং কাংলোন হায়বসি অতৈ পুক্লিংরান, চিনজাক কাংলোন, সাজেল কাংলোন, চিংথৈরোলনচিংব কংলৈখোলদ নেনখিব'সংগজু খেন্নব ওইন তৌই। অহুবু 'পুক্লিং কাংলোন' হায়বসি বয়া মুন্ন, মহেক সোংনখৌব খুদোং চাদব ওইন তৌই। অহুগ অমরোমদ পুক্লিংগ মরী লৈনব পোৎন্নিন য়াম্ন মরু ওইখ্রব পুক্লিংগী কাংলোন অমনি হায়ন থম্মোয়-দদি ফাওজৈ।

অতৈন্ন পুক্লিং কাংলোন হায়রগ মরু ওইব অমনি হায়ন কাওরগ য়াখল অম ভসেং ওসেংদব অমদি লৈব য়াওনরমগনি খনজৈ। মরম অহুন 'পুক্লিং কাংলোন' হায়রগ খঙবদ লাকপদব খুদব য়াওব পাউথুম অমত্তং পামজৈ। মরমদ কাংলোনসিগী মরমদ অসেংব অম খঙজব ওইরবদি মথা থিজিন্নিংব সরুকসিংদ লথী থরমখৈদি তেনসিনগনি থাজজৈ। খোরিলাংবন পাউথুম অমত্তং পিবিগনি খনজৈ।'

— এন, নরেন্দ্র মঙাং
সেনা রোদ, ইম্ফাল।

খোরিলাংবগী—

## পুক্লিং কাংলোন

'পুক্লিং কাংলোন' পুক্লিংগী লৈনব কাংলোম অমনি। 'পুক্লিং কমিনো পুক্লিংন করি করি তৌই, পুক্লিংগী ভোতান ভোতানব মপাঙ্গল কয়া লৈ, পুক্লিং য়োকখৎপ য়াবরা, পুক্লিংগী লৈনা-লৈবয়া—হকচাংগগ

পুক্নিং অসি নাবরা, পুক্নিংগী অনাব লৈরবাদি অনাবসিংহ্ন কোরক্ন লাবরেং লৈবরা - অসিনচিংব পুক্নিংবু মমক মুম্ন থওবনব লৈনরিব মহৈসী মরক অহুবু 'পুক্নিং কাংলোন' হায়না কৌগনি।

মপানগী পুক্নিংকাংলোন — মপানগী মক ওইনা নোংচুপলোমগী পুক্নিং-কাংলোনবু সাইকোলোজি ( psychology ) হায়না থওনৈ। সাইকে (psyche) হায়বসিনা পুক্নিংবু থওনৈ। লোজি ( Logos ওগী লাকপা science থওনব বাহৈ ) হায়বনা কাংলোনবু থওনৈ। হৌজিক্কি পুক্নিং-কাংলোনগী মসা মরেং য়াম্ন পাক সম্ন লোংখোকখ্রে। মখোয়-সিংদি

জেনরেল সাইকোলোজি (ময়ামগী ওইব)
এপ্লাইদ সাইকোলোজি (অকক্নব চমকগী ওইব)
এবনোর্মেল সাইকোলোজি (তাওব-কৈথসিংগী ওইব)
এনিমেল সাইকোলোজি (সা-শাগী ওইব)
ইদুকেসনেল সাইকোলোজি ( মহৈ মসিংগী ওইব)
ইন্দস্ত্রিয়েল সাইকোলোজি ( থবক লৈবগী ওইব )
চাইল্দ সাইকোলোজি (অঙাংসিংগী ওইব)
সোসিয়েল সাইকোলোজি (খুনাইগী ওইব) অসিনচিংবনি।

অতৈ হীরমসিংগী লৈনব পরিং কয়াদা পুক্নিং-কাংলোন য়াওদুনা অমুক হেন্না পাকথোকখিবগী পরিংস্থ লৈখ্রে। খুদম ওইনা—
সাইকোলোজি ওফ রিলিজন ( লাইনিংগী পুক্নিং কাংলোন )
সাইকোলোজি ওফ বিজিনেস (লনলোন ইথিকী পুক্নিং কাংলোন)
সাইকোলোজি ওফ পোলিটিক্স (লৈঙাক্লোনগী পুক্নিং-কাংলোন)
অসিনচিংব কয়া অসিনি।

মসিনা তাকপদি পুক্নিং-কাংলোন অসি মতোমতগী মহুৎশন্থ মসা য়াম্ন লোংহুনা লৈনবদা পাক চাউখ্রব হীরম অমনি। মহুৎশন্থ নত্তনা অতৈ

ফুটবলং লম্বা, লৈপাক, থুংকাক, লংলেন ইতিহ, শকচাং মায়েকশিং অমদি লান থেংনবগী (স্পোর্তস, সাইকোলোজি) তেংবাংনা পুক্নিং কাংলোন লাওরি। মায়কৈদগী স্পোর্তস সাইকোলোজি থৌরম্বদা সামুরোম অহুম সাম থোংনবগী মহাউ চেনব হাংলি, মায় পাকপ হাংলি। লৈমায়-লোনগী লৈতাক্লোনগী সাইকোলোজি হাংলবদি মায় পাক্লে। লৌলোন-বাক, মাই নিংবদগী পুক্নিং-কাংলোন থৌরম্বদি মায় পাকপ হাংলি।

পুক্নিং কাংলোনদি নক্ক লৈ — পুক্নিং কাংলোন হায়বসি পুক্নিংবু মশক উব ফংদব মরম যাম থাম লৈবতম কাওনৈ। তত্তেবদি পুক্নিং কাংলোনদি থ্বায়দগী নক লৈবদু ঐতোন হেক্তা মাওংশিংব, লাম খিকপদব লৈত্রব হৌরম অমনি। মরমদি মীওইবগী সিন্থা খুদিংদ পুক্নিং লাওরি। পুক্নিন হায় উরপ কোয় থবক ওইন পাংথোকপ তাক্তনি। মরম অহুন পুক্নিং য়াওবগী লৈত্রব মীওইবগী হৌরম খুদিংদ 'পুক্নিং-কাংলোন' গী মমি অমত্তা ওইরগদ্রু চংদব য়ারে। থবক পুম্নমক মপু দ পুক্নিংনি। পাংথোক্লিব থবক অমগী থৌদু অমি পুক্নিং নত্তব অতৈ অমন থক মতুং শিনব য়ারোই।

(i) লায়রেংব শার্দির অমন পুক্নিং-কাংলোন হৈত্রবদি অনাব হেন-জিন্দুন লায়রব শিব কাওব থোক্লি।

(ii) লাইনিংব অমান পুক্নিং-কাংলোন থডদবগী মতম য়াম মাওলগ মথে চাকন সিপ্লিব কয়া লৈরিবনি।

(iii) লৈতাক্লোনগী পুক্নিং কাংলোন লৈনব হাংদবগী মতাং চাপ্রব মকর্ম কয়া ঈবসিংন তত্তন খায়থিব কংবনি।

(iv) নলোন ইতিহাগী পুক্নিং-কাংলোন হৈত্তবদগী ইক কন নলোনব লেমজাও পাম্নব কয়া মুংবনি।

(v) অতাংগী পুক্নিং-কাংলোন (চাইলদ সাইকোলোজি) হৈত্তব কয়া মপান অমম অতাং কয়া কহনিং কহনিংন মাওহল্লি।

(vi) ইন্দরিয়েল সাইকোলোজি নৈঙদব মীন খুৎনা নৈবগী হীরমদা ইক কন লোকপগ খুবাও চাওসিনব ওনমহন মায়থিব কয়া লৈরি।

মরম অহুন সিনকম খুদিংদা পুক্রিংগী সরুক অমমম য়াওব মরম মীওইবগী পুক্রিংগী থাইদগী নর লৈব কাংলোন অমদি পুক্রিং-কাংলোন অসিনি।

ঘারোইসিন — মীওইবগী চাওখৎলোন পুম্নমক পুক্রিংদগী পোকপ ওাকনি হায়বসি ঐখোয়গী মীহৌরোম তাক্রে। মরম অহুন পুক্রিং কগৎহনব, পুক্রিং লাকসিনব, পুক্রিংগী মপাঙল কনখৎহন্নবগী সাজেল পুজেল মরাম অসি মীওইবন ওঙাইকদন তৌদব য়াদে। চাওখৎপ ওখিব মীওইব খুদিংমক মাংজোনন মখোয় মখোয়গী পুক্রিংগী সরোন — থাক — মপাঙল হায় সাগৎলগ কোয় চাওখৎথিব ওাক্তনি।

অতুগুম পুক্রিংগী হোৎনহন থাক হেনগৎহন্নবগী সাজেল-পুজেলগী পরিং অতুবুমু পুক্রিংগী অহকপ সিন্নানি হায়রহন 'পুক্রিং-কাংলোন' হায়ন ঐখোয়ন খঙনৈ। অদুম থনম্নিব কংলৈপাকী পুক্রিংগী মপাঙল হেন-গৎনব সায়রন কাংলোন পরিংবু পুক + সেল ( পুক্রিংবু + সেনবা ) = পু + সেল = পু + জেল = পুজেল কৌরম্মী। সা + সেল = সাজেল হায়বন হকচাং সেমগৎনবগী কাংলোনবু খঙনৈ। পুজেল হায়বন পুক্রিং সেমগৎনবগী কাংলোনবু খঙনরকই।

হকচাং অমসুং পুক্রিংন পুক্রিগী মসুং মপান ২গী সেমগৎনব কাংলোন ২ অসিবু পুম্ন সাজেল-পুজেল হায়ন খঙনৈ। কাংলোন অসিন পুক্রিংগী থনব (থাংকিং), ফাওব (ফিজিং) অমসুং নিংব (রিজিং) হায়ব পাঙল ৩ অসিবু হেনগৎহন্দুন পোকপগী মহৈ য়াঙহল্লি। পুক্রিং চাওখৎহন্নবগী সরুক অসিন পুক্রিং-কাংলোন নৈনবগী মসুংদ থায়দগী মক ওইব মরম ঘারেং অমাবদ পন্নিব 'পুক্রিং-কাংলোন' হান্নসিন অমাম মকমদ পুসেল পুজেলগী কাংলোনবু খঙনবিয়।

অদোমগী—

খোয়িরাংব, কংলৈখোল।

RN 34203/79 [illegible] khol/RE/5/89

Subsc[illegible] N[illegible]

Name ______________________

Occupation ______________________

Address ______________________

______ P. O. ______________________

If undelivered please return to the Kangleikhol,
R. M. C. Road, Imphal—795001, KANGLEIPAK.

**LIST OF THE THOURAMS TO BE OBSERVED BY SALAI PUNSIPHAM AND KANGKON MAYAI SANGLEN DURING THE CALENDER YEAR 1988 (MALIA KUMSING 3384—3385**

| Sl. No. Names of Thourams | Kanglei Thabal | | Gregorian Calender | | Day |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. Maichou Ningsing Numit | 5 | Phairen | 24 | January | Sun |
| 2. Kangleipak Cheiraoba | 1 | Sajiphu | 19 | March | Sat |
| 3. Silhenba | 2 | Sajiphu | 20 | March | Sun |
| 4. Pakhangba Chenghongba | 15 | Kalen | 1 | May | Sun |
| 5. Sanamahi Chenghongba | 15 | Inga | 31 | August | Wed |
| 6. Athoubasinggi Ningsing Numit | 1 | Thawan | 13 | August | Wed |
| 7. Sanamahi Chaoren Houba | 1 | Mera | 11 | October | Tue |
| 8. Silver Jubilee Celebration of Kangleipak Thousinkon | 27 | Mera | 6 | November | Sat |
| 9. Nupilal Ningsing Numit | 22 | Pomu | 12 | December | Mon |
| 0. Atia Sidaba Iratpa | 15 | Poinu | 23 | December | Fri |

এমকী, কাংলৈপাক থোউনি লাংবহন মনাই পুন্সিফমগীদমক
মীওই শিংবন কাংথম থৌরাইদ নম্বগ ইকাইদ কোংথোকচব।